ঈচীন ফাজল্লবা ঐদি খোল্লাও অসি ঙসী লাওঙমত্রে, ঐনা থন্দুনা হৈ 'পাম্মী। পাম্বদী পামজে। মীওইবগীদমক মীওইবা পুম্বা হৌহুনা অঙাওবসিগুম—অশুম লাওনবা'।

(১৭)

মবিশুবা আসাম রাইফলদগী বেঙহন খোঙলকই। অদুগা ঐনা, রাঙথৈগী লম্পি লমজাওদা হাইনা কুম্ন চৎপদা বেঙহন খোঙহুনা লাকই হায়বগী খৎনবা মৈতৈ নিংথৌ মচাশিংহু খংনীং নিংশংলকই। করিগুম্বা মতম অমদা কোয়িনা শাবা বেঙহনব কয়াদা লুনা থম্মরমগ্রবা ! করিগুম্বা মতমদা—।

ঙহাক্তং লৈবগা মমীদাংগী পু' নীপান তারকপগী কাংশীগী খোঙ্লেলহু ঙঙন' ঙঙনা নীপানলক খীংলকই! মতমদি অশুম অশুম থেঙজল্লকই অতিয়াগী থাবলদা করিগু চাং হন্থরমদে—। ঐনা অতিয়াদা, অঙৌবা থাবলগী ঈপোমদা ঈখৌলাংনা য়েংলুই । ঐগী থম্মোইনু' মীকুপ্পু হাংখীদে—। পুন্সিগী হৌগ্রবা রারীশিংহু নোংথাংগুম্নহুনা ঐগী থম্মোইদা য়াম্না খোংলৈ থনা শন্দোক্লরকই অতুগা অমংবা নোংহৌলক্ত তিনখিঙৈ

নোংথাংগুম্নহনা য়াম্মা খোংলৈ থ্না থ্না অমুক ৱাবীশিংহু শকমাংনখী।

"অমুক হল্লসি—" ঐনা হায –

মহাক কবিগু খুমলক্কে। অহন, ঐনা মায লৈবগা মাগু মমায় অতম লৈহনা ঐনা চিংবা মাযকৈদা চৎলকই। মখোংগী খোংথাং অমতং থাংবগা মহাক্ক ঙাংলকই

"মীওইবা কাংবু অমগু লৈবি –থা শুদনা প্রোকৃপ্রা অঙাং-গুম্বা –। হা হা হা হা" মহাক নং ংম্ন নাকই অঙগা হায মখোযনা তাবা যাদবা বা ঙাংলি মিলিটারি কোর্টার শন অহুগা লোযনবা লাঙ্গী শেম শানবা অসিহনা তেংবানবদা থবক যঙনদ-হনা ৱানবিবসি কোকহনবা ঙমগনি । সিনু নহাক যানীংগদ্রা ?

লেপ্তনা লাল শোক্লবনা লালমী মশীং যাম্মা লৌশননা ঙমগনি— লেপ্তনা লাল থেঙনবনা থৃংগু পৃংলাই যাম্না শাফম থোক্কনী অমস্তং থবক শুবা মীশিং যাম্মা লৌশনবা ঙমগনী –মসিহনা থবক যঙদবা মী থবক পীবা ঙমগনি হাযবসিমক অফাওবা মুপা অমনা হাযখিবা ঐহাকস্মু লাইরিক অমদা পেঙনখ্রে—। ৱাফম অসিনা তাকপবু মীওইগী কাংবুগী ওইবা মুংশিনবগী মরী, চান্নবগী শক্তম, অহুগা লৈমিন হিংমিন্নবহু থ্গাযহনা অংম অঙম হাংতাক্লবা নত্তরগা নমথনবা,— মী হৌরানগী ওইবা নীংশংব থোক্লববা চহীগী মতমদা চৎনখীবা শাঙস্বা মীওইবশিংগী লমচৎহু অমুক লৌশনসি চৎনসি হাযবা নত্তরা ? ঐহাক মঙোন্দ কবিগু খুমদে। বাওপবা (বাবু পৱা) গী লমজংহুদা মায লৈশন্দুনা চংশল্লী। মাগু।

"লোম্জিকগী মতুং ইন্না নং ঐ হেক মথেংসি মানা হায়বিবসিদি মীওইবশিংনা খুংশিনা 'লামিন-হিংমীন্নবগী মতম —, মীওইবা কাংবুনা মীওইবা ব্, বুবু তুম্না হাৎতোকপা ঙম্বা, ঙমথীবা খুৎশু খুৎলায়শিং শানতুনা অঙম্বা খবতংনা তেংবানবসিদা হিংনবা হোৎনৌ সি ওইবোইদ্র ?"

মহাক হুমিন শৈখি।

লৈবসন্নু। ঐহাক বাখল খনবদা যাম্না চীক্ক খনবা ঙমলকই। ঙাংলিবা অসিগা মনী লনবা ব্‌খল না'ত্তু বাখলবু কনা'না তাম্থাকপা ঙম্বগে — ? ঐহাক মীপুম অমা অনীসিদা মহাক অমম্নুং লৈশাবী মুঙশিতোম্বী মখ য অনীনি থোকখিবা, থৌ দাক-শিংত্থু ঈমীৎতা শং শং টবকই। মতমত্থু পামুঙ্গ — অমুক কঙলরোই। মুংশিবা হায়বত্থুবু তঙ্গপ তরায় ফংহৈবা পোৎশক্না নত্তে। ফংহৈদে —। ফংহৈবা নত্তে। মহাক্কি তাংই —, চহী চা কযা কযাগী মমুংদা তোমথিন্নবা মীশক খরতংদা, মহাক্না পুন্সি পুন্সিশিংত্থুগী মফমদা কুপপ্রবা লৈতেং ওইনা নপ নপতুনা লাকই। অত্থুগুম্বা কুপ্পবা ফংহৈত্রবা খুৎমুংশি অত্থু পোৎচৎনী হকচাংদা নপলকই, অত্থুগা, মুপীমচাত্থুনা তবং তবংলবা থম্মোইত্থু ঐগী মরুপসিগী মকা কৎচখিবনি, ঐহাক খংই। অনৌবা তাইবংগী লমচৎ অমা অমুক ফাওরক্লে — মুংশিববু অহা মৈচাক্কী হৌরককম ওইনা লৌনবক্লবা, অত্থুগা মখোয়গী মফমদা মত্থুম্নু চুমপ্রবা — ! মমল য়াম্নবা ফমথক য়াতামিন্নবগী মীকুপ নত্তবগা অহিং, — অত্থুম্নু মখোয়গী মফমদা লাকখিত্রবা থম্মোঈ চাকপ্রবা। চুম্লে। মখোয় হ্রানখবে — ! মুংশিরুবদগী —।

মতমত্থদা -।

সুপীমচাহ্নুনা মঙোন্দা হায়জখি (য়াম্ম থম্মোঙ্গশোক্ল ! ঐহাক ত্থাগী।)

"তা.চৌ অশেবত্থ হায়বো ?" (সুপীমচাহ্নুনা মাদু তাচৌ কৌই)

"অশেংবা— ? করিনা ? ঐগী ঈযুম - ঐগী ফিভম, অপাম্বা পামদবা," অঙৌনা হায়খি —" অত্থুগা ঈমা ঈপা—নংনা থংদনা করি লৈ ?"

"নাগী থম্মোঙ্গত্থদী ঐ থংদে—"

'ঐগী থম্মোং" হা হা হা" অঙৌনা নোকই অত্থুগা সুপীমচাহ্নু। হোখিজে, অত্থুঙ্খা ত্থনদাংরাইবমত্থদা চৈহংপীখি — "ত্থত —। শেনত্থুম লৈব্রা - ? থরা পীয়্ম চা থকলুগে— ।'

সুপীমচাহ্নু পেংহৌ পেঙৌ তুম্মিন তোকখী — । ঐস্থ থনখী— চুম্মী, থুপথ্রব মীশ্নহবগী লু-তোঙ, উনশা শরু অত্থুগা পুন্নমক্কী মখক, নংজবা অভাংবা ঈনা লৈরোল কয়া চনশন্দুনা কুপশন পমজনথ্রবা থম্মোঙ্গবুদি মপান খোঙগী মীং অনীসিদা কৈদগী থংজ-উজ্জ ঙমগনি ! অত্থুগী থৌনাত্থবু নোংদম্বনা মীওইবশিংদা পীনবীরম্বরা ?

নোংমদি ঈমুং অত্থ য়াম্ম চিকখী— ।

সুমীত্তুস্থ অঙৌগী য়ুমদনি ঐনা চাকশং মকমদা লৈ, অত্থুগা মখোয়নীদা মাগী কমুং মনাক্তা রারী শামীম্নখি— ।

"ঐহাক লাইরিক ভম্বা তোকউ হায়রে" মুপীমচাহ্নবা। তৌই "তোকঅনি —।"

"তোকউ—মাম্মখোয়না পাম্বহু তৌ—। মখোয়না পাম্বগা।"

"অহু হায়গম্মু—। ঐনা তোক্লাংহ্নবা তোকপনি মখোয়না পাম্বদ্রী ঐ থক তৌবগ্নেই। মখোয়না পাম্বদগী তোকদবা লৈত্রে থব্রা ?"

"লম হনবী মুপীমচা ওইগে অসিবা ?"

"মং থংবরা" মুপীমচাহ্নবা হায "মাচা থংহ্রো ? মখোয়না কবি পাম্মী। হাংবা"

"থংই। মচামুপীনি, নপুম্বিহু মুঙাইনবা পীল্লি, লম হেনগম্মু —।"

"অহু !" মুপীমচাহ্নবা চুহাক লবক্রকবগী হায়রকই "অহু—। হেবক বংমগী কোক্তাংবা—। মশানগু থংদমাল্লে—।"

"তুমিন লৈয়ু" অঙৌবা চৈহৎপী— "চৎলু, অমুক কোয়রো কৌরক্কনী।" তুমিন তুমিন লৈনখি—। চায় চৎনখি। মবোল মবী অনগু লোকম থংনদনা নীঙশা ইমুন মুনম মখোয়না হ্রা ভাংনখি। ঐ কবিগু অগৎলু দ—অশাংবা মুঙইবং মুপীমচাহ্নবা কোপোকখিবী নিঙশা থুংহানগী শাহুমশিংহুৎনা ঐহাক ময়বা চাকশ গী কাতুপতুদা ভাখিব। 'সিমগু, হৌখিবা পুমগী নীংশং ৱারা হাযবহু ওইদবে চুজিক্কি।'

'সিদি ! কাযনরমদাইগী রারীনি অসিদি—।

ওয়মক অরেম্ব তাবমাল্লে—মুঙশিতোম্বীনা ঐবু কৌবক্কনা অরোয়বা ওইনা, মুমিত্তুদা চঙখি—। রাফম কয়া। ঐহাক

নীংশংলি, ঐহাক হাৎং খুদিং, চীনবাম্নদবা ঈতৌ তুমীন্নতা লৈরক্লবদা নুপীমচা ওইবী হৌনশা নুপা মাং ঈকায ঈহুন্নজরক, নৌরবী মমাযগী মায়খোংহুনা তঙাং তঙাংলহুনা, অদুগা খোংঙলনা পুথ্রানরগুৈ মৈচাক পুরবী নুপীগুম তনীক তনীক এ.ভান্দ হাযখী।

"খংজরে তাদা। মহাক ঐহাক -। থুংনবা ওইদরে থক। মহাক লাইরৈ, ঐ খংই, অদুবু ঐহাক ঈচানমক্ল হৌজ হৌজ হায়রে মাঙোন্দা—। ঙ্করে।" মপি ঙাখী নুমীত্তু, "ফে। মহাক্ল পাশ্বতু ঐ .তৗগনি—।"

নুমীত্তু দ মপি শীন্থ শীন্থ অয়েন্বদ হৌঞ্রেদনা— ।

মোংমা অমা- । (ঐনা কন্থ কুনা মখোয় অন অবোইবা ঙ্ইনা অচীকপা চমুংহুদা উনহল্লি।)

"তাচৌ—" নুপীমচাহুনা হায় 'মংমা পাশ্বতু হুজিক হাযরো।"

"চৎলে। এ—" অঙোনা থোনা য়াঙ্কদনা হায় 'ঐ ঐ ঐ, । কদি কান্নৈ ত তুনা কংলগা? রা লোইখরবদ।"

"লোইনদ্রে—ঐহাক্ল ঙাম্লাই হায়বগা অতুম তাকখিগনী।"

"মরমহুনি। মং করিগী ঙম্লোইদৌবিবনো— ?"

"লৈ—। অদুবু, নংন থিঙহুনা জৈরিবনি— ।"

"করি - ?"

"ঈবাম্নিগী মবিসি পাদুংখায ঈমাখোয়দা খংহনগে য়াত্রিবছান। খংলবদি মখোয়স্থ অশুম তৌরম্লোই।"

"হুজিকপু!" অঙোনা কীনা হায় "ঐ ঙম্লোই— ।"

"ঐন হায়গনি—"

'সুন্তশি – নংনা শেংনা হায়দোকদবা লৈরবা, নং ঐ পুন্সিগী লম্বীসি করুগনী –"

"ঐনা হায়গনী 'ঐ লুহোংবা ওয়োই' করিগুম্বা মরমদু তাকউ হায়না তকশল্লক্লবদী— ঐহাক, ঐখোয়নীগী রাবীসি ঈমাদা লীগনি—। মখোয় য়ানগনী। নং কয়ম্বা মীশক্লা হায়নগু মখোযনা হেক্র থংলিবা নত্তবা? য়ারোই খনবরা— ?"

"পুন্নমক্রু তোবউ সুন্তশি, মতমদু যৌদ্রিদৈ নংনা অহুল লমন'শংদা শম্মাতং হেক থংহল্লবা, নোংঙানবগা, ঐহাকী তো বমগদবা ঈভৌদু নংনা য়েংঙমগনী নীংদে। "

"ঙমগনী। মীকুপ খবতং ঈকায়বনা মায় ঙাংবদুরা?"

"নত্তে। ঐ চুক রা থংদবা ঈতৌদুদি উৎলয়োই।"

"করি না? তৌগদৌবিবদু? ঐদি হায়দোক্রগনী।"

'সুন্দশি! নং থাজো মত্ত হেক তাবগা ঐ"

"নবি" মবক থংখী "করি তৌনি নং?"

থরায় থারমগনী, হু চাহুনা." অঙৌ অংগাংবা নিঙশা তোল্লহুনা তুকশনখী "হু চারমগনী থাজো। ঙাম্মাইদবা মাল-মগনী। মীওইবনবু শিনীংববা? অহুবু, মীওইবগী মফমদা শিখিবনা শরুক চাম্মা হেন্না ফবা তমখীবা মতমশিং লাকই হায়বগু ঙমমক্র থংনহুনা লৈ।

"তাচৌ"

"কৌগনু" অঙৌনা মরুক থংপীখি "নং অক্কিবা ফংলে। নংগী নচীন্দ ঐগী থরায় লৈপ্রবনী নং থংউ।"

মুপীমচাহ্, ঐ কাওদরি কয়াদা থম্মোঈ শোকখ্রবা !

মুমীত্তুগী অভিয়াহুবু কমদৌখিবগে ? নোংহৌ ফুইখিদবরা ? অথাকপা নোং চুখিদবরা ? ওসিদী, মহু পুম্নমক্কু ঐগু নীংশংবা থোক্লনা লৈরম্বে !

(১৮)

কনানা করি হায়খী ?

মতমহুদি কনানগু করি হায়নখিদ্রে। য়াম্না চীকশন্নখী। চংশংনমকশু মখোয় অনি কায়নগ্রে। লোইনখ্রে। অনিগী ম্রাম্রিহু ওসিদি লাঞ্জং থোব লালমী অমগী পোৎলোয়খ্রবা, তুমখ্রবা হকচাং পোলাংদগী ওনথোরকপা মৈথুগুন্নখ্রে অহুগা শক খংদনা, ভেংবানগী অপাইবা মুংশিংলক্ত তিনখ্রে। চৎনবী, ঈক্লায়বা, লৈতবা, লাইরবা, অহুগা লোনচৎ, পুম্নমক্ক মমাংদা ঈচং থৌননা পুনশম্নহুনা লেপখিদ্রে অংশংবা থম্মোঈ থম্মোঈগী মুংশিগী লানফমদা মখোয়নী অহুক ওমচাক্লনা মায়থীনখিবা নত্তরা ? হুজীক্কী তমথীখ্রবা পুংফমশিংদা মত্তায়নহৌরে।

"ঐ, ঐ, ঐ," তুমীন তুমীন চৎনরিভে ভাংলকই "ঐ হায়ব-

সিন' মকুম্মমাল্লে মরুপ, ভাইনংসি। ঐ ঈমানাহায ‘ঐদী ব্রাবেদা’ ঐত্ত নোংমা হায ‘ ৈদী ব্রাবেদা,’ নংশু হায়রমগনী। হায়দ্রাও ?” হুঙলম্লগা ঈশৈ শকলকচ। —

‘ঐদী ব্রাবেদা

লৈকাং চান্দা’ ঘা সিনি হা হা। হা।” “মবমসিদগী” মথ তারকঈ। “ঐ ঐগী মবাল লৈববা, মমা লৈবাক্কীদমক্তা পি তাবা হুত্রনা মীৎ-মাংশিংসিদা হান্ননা মমা লৈবাক্কীদমক্ত পি শাহনবা ওম্নবা হুংনলফম থোক্কনবা ? ঈমা লৈবাক্কী-দমক্তা —ঐ —। মসি ত নকবগা, তেংনানবগী ওইনা থন্দে, মমা লৈবাক্কী ওইনা থল্লী হাযন' যাম্ন বাখল নেম্বা, পুকচেল পীক্পা মী তাগনী —। অদুবু মৈ নাকসিদি ? মাংশিনি। তেংনানবগী ওইবা শক্তমদগী ঈমা লৈবাকসি মাংখিগনী। ঈ. লৈনাকসি লৈতববা, নং ঐ খোায বদাযদা খোং থাগদোবী’ চংযম লৈবোই —।” বা ঙাংবা লেপ্তু না চপ লেপখ্রা।

ঐনা হায—

“কৈদোরে চপ লেপ্লবদী ? চৎসি লাকউ। থেংনে।”

“হুংঙাইনা।” হুঙলকই সিনি, ঙায়েং মৈব্রবাক লৈরবদা মৈতৈ মচাশিংনা চপ চপ লেপ্লগদাবত্তু ”

ঐহাক তুমিন লৈ (থম্মোঙ্গদা অকীবা পোকলকই।)

অবংব থাবলগী মডালনা যাম্ন ঈংনা মৈতৈ মচা ঐগী হকচাংদা ফুনবকই থাম্মাঙ্গদা নাপন্নজৈ “ও; তোল্লবগী তোল্লবা। লমজাং যাওত্রবা, মপী কাযনঙৈ শম্নাওগুম্নরবা ঐহাক্কী। তোঙ্গনু। ঈমা, ঈমালৈবাকতি, লৈরিদনা ডসিও।

অহম

অমম্বা

(১৯)

লম্বীছুদা মা ঐ চংলী।

(অচিকপা খুন অসিগী মমীং বাণ্ডপরা, বাবু পরা, নত্তরগা বঙ্গালী পরা, অমা হেক কৌবা য়াই। অহুমসিগী মমুংদা অহানবা, অকোনবা অহুগা ময়াই. অমা হেক হায়হুনা সনা কৈ'খেনদগী রীকশা নেকপদা রিকশা খৌবহুনা শোয়দনা খংগমী, মফমসিদা পুরকনী) লম্বীগী নাকন্দ মরু চাওরবা উপাম্বী অমা হৌই — । লাইওইরবা মতৌ য়েংবদা অকীবা পোক্রে। ফল্লবা মশা মরেংশিংহুনা, চৈরাক রাওমা লাম্নকউ ফানা পুম্ন

ওমত্রবা অঙাওবা মীওইবা অমগী মতৌ মালহল্লে। মহাক্না মপাগী ওইবমখৈ, অথুবা লম্বীহু, মহাক্না মনা পুংলবা অকনবা মশাশিংনা, কুপশনবমখৈ শন্দোকই। মহাক মহুনগু পেন্দেখা রাং অমদি মনীং, মহাক্না মনাক নক্ল লৈরিবা চেক্লী য়ুমশিংহুগী য়ুমথকশিংদা, মশামরেংশিংহু, শীন থুংনা ফন্দাক্লনা লৈ। অচীকপা অহীং ওইরকপগা, থাবলনা ফবগা, অমুক, অথুবা, মী চত্রবা লম্বীগা ওইবগা উপাম্বীহুগী অকীবা হেনগৎলকই। মহাক রা ঙাংলকদোবা মাল্লি। লাও-খোংলকদবা মাল্লি। ঐ:খোয় অনীবু ফজনখিগদোবা মাল্লি। (—অশুম্ন অচৌবা উহুগী মরমদা মীকুপ থরতং কাহথোকখ্রা—) মহাক তুমিন চৎখি। ঐগী রাথন্ন পুন্সিগী মরমদা, য়াম্ন থাজফম লৈত্রবা পুন্সিগী মরমদা খল্লগে হায়না কন্ন কন্ন তেমশিংলকই। পুন্সি—! মাল্লি পুন্সিগী মবমদনী। শা ডাগী নত্তে। মীওইনাতংগীনি—। মীওইবগী পুন্সি—! খল্লকউ, থম্মোঙৈদা অকীবা পোকলকই অহুগা পুন্সিবু ঐহাক রারোম্ভরকই। পুন্সিবু খুৎশেম্না? মহাক্না হৌত্রবা ওরাংগী রারীওম্বনী—। শেমদোকপা য়াদ্রবা। লৈবাক অমনা চাওখৎলকপগা পুন্সি অমনা চাওখৎলকপগা থক মান্নবা খনবা ঐ পামদে। লৈবাক হৌহনা অকনবা ল্যানথোং লালথেংদা মখোয় মীনায় য়োংহলাং কোকলকপা য়াই, লিঙজেন মান্নবনা মখোয় চাওখৎপা লৈবাক অম ওইরকপা য়াই। মতৌম্লিগা মীওইবগী লোয়া-লোনথুপন্নরবা পুন্সিগদী থক মান্নবা য়ারোই—। লিঙজেন পান্দবা, থোনা লৈতবা

কয়া কনাগীগু মনাই ওইদে—অহুগা অয়াবা খংজত্রবা কয়া থবক কয় শুহনগু নোংমতংগী চবা তগ্বা ওমদনা লৈরি। কবিগুম্বা পুন্সিনা থুংশেম ওইরম্রবা অগুক চাওখংলবা তাইবংসিদা, চংনবা য়াদব কত্তবা, অধীবা পুন্সি লৈরমখিগদ্রা ? ওম্লমক শেমদোক্লরমগনী মরমদি মীওইবা থুদিংমক্ল য়াম্ন ফজবা অরংবা অফবা পুন্সি পাম্নহনা লৈরি। কুপ্ন নেনক্লদ্রবগু, পুন্সি অসিমক থুমশেম নত্তে হায়বসিতং খংলগ্বা থোক্লবদী—কায়নৈ হায়ব-গীদমক্ত হুপীমচাহনা ঐগী মরুপসিদা অৱাবা, ঈকায়বা, মুংশুরুবা নত্তরগা, নত্তরগা,—,করি অমত্তশ উৎলমলোই অহুগ। থমলম্লোই খল্লা। মাবু মথোনা য়াওদবা মীশক্লী হায়না থক থনলম্লোই—। মসি ওম্লমক্ল য়ানগনী—মীওইবগী লাইংক্ল ওমলদ্রবদা ঈথুংনা থাজবা হৈ পান্থিগী মহৈ য়াতোল ংংশুম্নদে অহুগা মীওইবগী পুন্সিনবু তমওম্নবা, চাংদোল মাপল লাম, থাপ্লবা শংখংদবা লৈবাক্কী নীঙোন, শংখংদবা লৈবাক্তা লাক্তনা-মৌ ওইররে—। (থম্ন খম্ন ঐহাক কল্পিগুম্বা খরা শোনখিবর) মহাক্ল হঙলকখী -

"করিনো ? মুরুম মুরুম শোক্লিবহ্—?"

"কৈস্ন নত্তেদা—।"

"য়েংউ—" মহাক্ল মখা তারকই "যেংউ, 'সিদা উরিবা অমনবা যুমসিনি—রোমা মুখরজী হায়বী বেঙ্গোলি লৈশাবী-হুগী যুমহ্।"

"রোমা—? মুখরজী—"

"হোয়—। রোমা মুখরজী। থোংনাওসি মৈ থাল্লি—, মসি

মহাক্কী কাত্থুপ ওইরম্মগনী—।" তুম্মিন লৈখী।

য়োমা মুখরজী—! ঐ খংই। বেঙ্গোলি লৈশাবীনি। মাগা কোলেজ তম্মীররকপী, ক্লাস অমত্তদা—। অত্থুগা লৈশা-নিসিংগী শকক অমত্তু য়াম্না চাওনা কনশন্নুনা। ঐগী মরুপসিংগী পুন্সিগী রাবী মঙ্গুংদা লৈ। মচৌশানা অঙাওবা মতৌগী চৌনবা, সুপীমচাসিনা কাম্মুক মুংশিখিবগে হায়বত্থু কাওরম্মক থোক্লবস্থু, ভসী থৌদোকশিংত্থুগী খুদম ওইনা,) ঐ, লেংদনা লৈরি। থৌদাকশিংত্থু নীংশংলিত্রা খংনীংত্থুনা ঐনা হৌই—

"য়োমা মুখরজী—?

"হোয়নে—" মানা খুমলকই—"মহাক্কী হুজীক কোলেজগী প্রোফেসার ওইরেদনা—ভোলোব চামরী—চানীপান ফাও!—"

"মহাকপুত্তু নীংশংলকইবোইবে—।"

"কবিগী নীংশংদনী—" মানা থোশাদনা খুমই—। "নীং-শংজী ঐদী"

"থৌদোকশিংত্থুদি?" ঐনা হৌই "নীংশংলিবরা—?"

হৌনা হৌনা ঐনা বেরী লৌথোক্লুনা পী মাগু লৌনা লৌনা হায়রকই

"মরুপ—লালগী মশীং অসি য়ামপ্ররেদা—। চহী লীশীং মঙাগা চামরা মুক অসিদা শোক্লখ্রিবা ভেংবানবগী লাল অসি 'ফোরত্তিন থাউজন ফাইব হন্ড্রেদ থারটিন রারস—' সুইজ' সাইনটিশ অমনা হায়খ্রিবনী, অত্থুগা শিখিবনা মশিং 'মিলিওন থ্রি থাউজন সিক্স হন্ড্রেদ এন্দ ফোরটি—। কয়াদা য়ামগ্রবা—। হুজীক হিঙলিবা তাইবংপানবগী অশুমা মীশিংদগী শিখ্রিবসিনবু

কেক্সিত্রা'? কয়াদা য়ামগ্রবা থোদোক্কো অহুগা কাকনো- ?" ঐ তুমিন তায়। মখা তারকই "ঐগীশু মসি মতায়। হেক পোক-পদগী ওসীফাওবগী চহী কুম্ব তরুক শুবা চহীগী মতম অসি ফাওবদা মীকুপ খুদিংগী থোকপ্রবা থোদোকশিং মিকিওনদা পারমু,—ওইবা য়ারোই। ঐগী পুন্সিগী থোদোক হোৎচনবীনবা কনাশু লৈরে—" মহাক্ত ঐত্তোন্দা হক্তংশুম হায় "হৎজিবতু ঐ খংদে করম্বা ঐগী পুন্সিগী মীকুপ অমগী থোদাক্কো হায়বা"

ঐনতুম লানবা তারে। ঐহাক্ত নোক্লহুনা হায়—

"তোক্লো, থোদোকু হায়রম্ম। ঐহাক হওলরোই—।"

"হায়রোই' মহাকশু নোকই। অহুগা ঈশৈহু শকংলকই—। য়াম্না কুংশিবা ঈশৈ অমা। ঐনা তারীডে মহাক ঈশৈহু খংতোক তোকথোক্লগা অনীশুবা ঈশৈ অমা শকলকই—

(অনীশুবা ঈশৈ)।

'শাবী ঈবেম-মা

থওলেন-ন-ঈমান

মচা মক্কেন-ব পামমুবী,"

অহুগা হৌনা হৌনা নোবলকই— "হা হা। মসিমু হেব শবলুর-বদী, মরূপ, মতমগী পাখংশিংদিনা থরা থরা তৌবিবিবা সজামংসি থবং ককথংগীখিদোনী—। অরীবা ঈশৈ, অরীবা মীওই—মখোয়না পাম্নদে। খংকেদনা? নং ঐ ওইবগী শক্লীবনী অসি।"

"ডাইখো" ঐনা হায় "অহানবগী ঈশৈহু মৈতৈরোন্দা অমুক্তা হান্দাকউ তাগে—"

"পুন্সি—" হায়না হন্দোকপা হৌই "পুন্সিগী য়াশরী, নত্তরগা— ।

'লৈংদবা পুন্সিগী ঈরাশরী চান্নরী,
ওইরে নংগীতা ঐসে।
চীনচুমবীরু ঐবু কপহনগন্থু মুংশিবী,
ঐগী পিনা মালেম'সি থুমথ্রগনি— ।'

অসি ওইবা ত্তায়নে—। পুন্সি কংলিবনি— ।" মহাক মথা তারকই "পুন্সি কংলকপসি ঈপামবু পামনত্রে, চাক চরা অমনবু, হেন্না লুনা থন্নরকবা মতমসিদা। নত্তবা ?"

"নংবু—" ঐনা থংনীংতুনা হঙই "নংবু পুন্সিগী মরমদা থন্নজং থল্লবিত্রা - ?"

'অং" মহাক্ন গমলকই "হান্নদী থনলমমীদনা। কুইরে। কুইরে থন্দবা " অদুগা মহাক্ন ঈথং থংহৌদনা নোকলকই—
"হা হা হা হা"

লেপ্তে মহাক শীথ-শীথ নোকলম্মী
"হা হা হা, হা হা হা হা হা হা । ও!"

মাগী হন্দক নোকলক্লীবা মতৌসিদি ঐহাক অকীবা অমা পোকই, শোবি পাগ্নি থল্লকতুনা মাবু থামতুনা কৌই।

'অত্তৌ! অত্তৌ!"
"ও! হা হা" লেপ্তে "ও! হা হা—।"
"অত্তৌ—নংবু। অশুক থেংলবদা, করিনো ?"

'হা হা হা। অঃ অঃ—" নোংম্লগা মহাক্ত যাম্ন য়ানা হংগরক্লুনা, নিঙশা থবেং থবেং তোন্দুনা হায়বকই—"বককচেংত্থনগু পুক্সি অমা লৈবৰনি মহায়, ত্তৌবমকগু পীকথ্রবা ককচেংনীং-তুমবীত্থদা মকোয়গু চোমহল্লকই। কনানবু পানশননীৰিবনো খংদে।" নোকই "খংদে—হা হা 'life is spontaneous, autonomous, it is self active, self adjusting self preserving, self repaering, self increasing. self perpetuating ," হংল্লকই "কনাগী থুং চংবা যারিসে—, যারিব্রা ?" মানা হায—"থাবল মুংশিনি। নং ঐ কায়নগনি। অনন্থদা কোযবদি নংগু তল্লমগনী।"

ঐ ভুমিন লৈ। চুম্মী, অমম্বা হায়স্পিমক্তবু লংশল্লবগী মশক্রী

(২০)

অমম্বা !!

মাংমী, অমম্বা! অমম্বা বোংকংংবা ভম্বগীদমক্ত মালেমগী হেংগ্লম্বিত্তৈ, অনৌবা মংমদা হিংখিবা থায়নঙৈগী মীংংইবশিংনা ঙতিয়াগী হুমীৎপু মংখায়গী লাইনি হায়না নীংনথিসনী ।মরাক

ঙৈরবশিংগা, অমস্বগা য়াম্লা চুনৈ। অমস্বা মফমদা হুরানবনা লোংনৈ, মত চাওবা লিল অমম্বা শুরুংদা লৈনৈ, ওক্কবীশিং (মশক ফনা ফজত্নশু। সনা কৈথেলগী গমস্বা অরোনবা মফমদা পুন্সি হিংনৈ। অতুগা. শেন পাম্বা, লৈবাক্কী অশুম-অথৌশিংনা অমম্বা মফম অনস্নং মতম য়েংতনা মুশিন মুশিন মুরবা লংজবগী মশক ফঙলবা লৈত-লাইরশিংগী শেনশিংতু লৌশম্লে। অমস্বা অহৌংদা মীওইবশিংনা অকীবা পোক্লে—, মতু কোক্লবগীদমক্তা শেন তিঙনতুনা—য়ুম য়ুম খুদিংগী এলেকত্রিক নত্তরগা থাওগী মৈ অমমম শোয়দনা থান্নগনী -'

ও! মৈ থানদবা য়ুম অমখক্তংদি পুন্সিসিদা থেঙনথরে—। ঐদি. মতুতনী থেঙনখিবা—। অহানবদা ঐনা খল্লুই 'ভেংবান্-বদসু মৈ থানদবা য়ুম লৈরমগদ্রা—? অতুসু থেঙনখি। য়ুমঙু সনা কৈথেলগী মমুংমক্তদনী। পাখং অনীখক্ক মেলিটরি মরী মঙাগা রাবী চৌক্ক শাহ্নরগত্ত ঐ শা অককপা য়োনফম অমদা ঙহাক নোং থুপলিঙ্গে ত্তাখি (মথোয়ত্ত নোং থুপলম্বনী) অহানবদা মথোয়গী রাবীদা ঐহাক করিশু থংবা ওমলুদে। অতুবু, কাইনথংদা থংলক্লে,- ওক্তনী মুপী কোয়থি থিবগী রারীনি— মথোয়না মেলিটরিশিংদুদা ওক্কবী মুপী অমা পীগদৌরি অমুমুক্ত লুপা তরা তরা। মতুদা মেলিটরি অমনা 'মমল য়ামমল্লি, কলিকটা অতুগা শাংগ্ন ফাওবদা লুপা তরা য়োৗরবদী অফবা ফঙলে' হায়—। মথোয়, রাফম অমা'নী ঙাংনরম্নগা পাখং মটান তোংব অমনা মেলিটরিশিংতুদা মমল কাহল্লকই "ওসিগীসিদি,

মশক থরা থীবগী ঋানী তোবীলদার সাহেব, তুতিগী লাক্লদৰী নত্তে। মমাংদগু অমুক্ক লাকখিদ্রি। মীপুং চনদ্রিংগীনি। ভসীদি লোয়না লৌয়াইদা কুম্নখবে, অতুনা, মেনেজরনা কৈথেন কারকপী অমা হেক্তা ফাবনী। চংউ—লুপা তরা তরা, নখোয় মঙা" পাখংতুনা ঋা লোইশল্লি "কদায ? পুম্ন, লুপা য়াংখৈ—। কদায়— ?" অনৌবী—কনাগগু ইনখিদ্রিবীনি হায়বকপতুদা মেলিটবিশিংত ঈয়েং য়েংনবক্তনা শেন খায়নতুনা পাখংতুদা ঈশল্লি—অতুগা শেন কৌশল্লিবা পাখংতুনা মখোয় অমমম পুশনতুনা অমম্বা ঈমুংতুদা নোষ্থ নোষ্থ চংনখি । অসিনী।

তোক্রে। ঋাবী অতু অশুম থোকখি। অতুগা নোং চীং তাংলনদা (এায় কুইরবগী মতুংদ) অমম্বা ঈমুংতুদগী চহী মীয়াই চল্লরবা তুর্ণা অমা অপীকপা মচা অমা মনমদা পোতুনা, অতুগা চহী মরী হাইগংলক্লবা তুপামচা অমা মখুংনা শম্নতুনা লম্বীদা খংথোক থোবকই, মী ঊংঠোদননা মতৌ—। ঐহাক লাপলপ ইম্নতুনা চৎলুই। করিগীনো ? মতুম্ত খংখিদে ই। অতুদগীদি, মচু মচুগী মৈঙাম্ন লৈতেংবা সনা-কৈথেনগী মৈবক্তা মমায়থোংতু মকালামখি। পোৎ-চ য়োনফমদা মমীংন য়াম্ল লীংতম্ল য়েঙখী—। অসিতনি

নোংমগু,—নোংমা অমা—। ঈমাংমরুপা, তক তকরবা, অশংবা অঙাংবা মচু মথলগী মৈঙাম্ন লৈতেংলবা হোটেল অমদগী পুলিসশিংনা নগুবা চীঙ্গাক (হনচিংবা) কয়া ফাতুনা কাও থোও চাইখিবতু থেঙনখি। মতুদগু পুলিসশিংতনা হায় 'মৈ থান্দবা

অমম্বা মফমদা নওবা চীঙ্গাকশিংহু লোংলহনি' হায়না। অহুগা হোটেল মপুহুগী ময়মহুদা এগী ঈনাক্ত লেপ্পা হমুবহুনা 'কনাগী হোটেলনিনা?' হওজক্ববদদা লীচৈ পাযবা পুলিস নহাশিংহুনা খুমকম ঈখং খংজদবগুম হ্রাযেনখি—"চংসে। লেংসে লেংসে, ময়াম ওমশিনবীবনো মী চীল্লে।"

লৈবাক মচা পুম্নমক মহৈ মহৈ চংনখি। কনান খংনখিদে, হোটেল মপুহু কনানো হায়বা—। অহুবু, নোং ওানবগী, অঙনবা, অয়ুক্কী অঙনবা পাওজেল চে অমদগীদি পুম্নমক্ক থংনৈ-হোটেল মপুহু ঈবনাক্কী চৈবাক পাযবিবা য়াম্ন চাং লেমথ্রবা, অঙম্বা অমনি হায়বা। মহাক্কী মীথন লেপলমদাইদা মহাক্ক মীয়ামদা লাংখি। 'এবু লেবাক মীযামগী থোগন ভোজবা ফংহনবিহু।' এহাক উসিশু কাওদ ব।

অহুবু, ম্নশিংদি মহাকশু নদবা চীঙ্গাকশিংহুগুম অমম্বা মফম নোংনন লোংখিমা। ম মরেবাক মচা হল্লবহুনা মশক উবা ফংজাখদে। সিদনি।

নোংমা ওনশু নহুদি মপুরোইবা লৈরনী মুপী ফীশা-যীযোঙ্কবী, শমজীরৈ চাওবা নেতৈ মুপী অমগী শংহাদবা থৈদোক্কী ব্রাবীনি। মপুরোইবা অনোক থাংবহুনা মাবু চিঙনববপা হৌজ-হৈজ্র ফনা যামলমলগনি খল্লি. মরমদি, মুমীত্তুদা লং লৌবা চংখিবী মাগী মুপাহুনু মহক্ক লংগানবা 'কান্নিয়া' পুরোইবহুগী, অমম্বা কাহুদগী, থুপচানবমতৈ লোনচংতুগা লোয়ননা যাঞ্জিবহুনা থুদমনি। মথোনা যাম্না লৈ মপুরোইবহু। মহাক্কা, লাংথম

খোকপা য়া-য়া থয়া লাওগ্রবন্দু য়াম্না তুমীন, ফমথক্রুগী, হাকোয়রিডৈ কায়বী মাগী মুগা অমশুং কানিয়া পুক্লোইবা মখোয় অনীবু মাগী ময়ুম তাম্না পুন্দিগে তৌই। ময়াম্ন হক্তবদা মহাক্ন খুমই 'লৈকায তাক্লগা মখোয় অনী লৌন-লৈনহল্লগে। ঐ কবিমতা তৌজ-রোই—।' ঐ য়েংথৈ-তাকৈবা ওমজক্নুনা অহুম লাকখি। খংদে, কমদৌনাজৌবনো। তৌবদি মী চংদ্রবা চাক্লবা অমগা কা অমদগী য়াবীসি তৌরকপনি—।

নীংশং নীংশংলুরগা থৌদোক য়াথোকশিংসি অত্তম য়াম-খৎলগে। ওৎবানবগী হুম পুম্বা মে থান্দবা অমম্বা য়ুম ভাঙ্গা ওইহুনা লেনবঙুম, অমম্বা, ওক্তবা নম্ববা ধুমগী মশীং অসি শুম শুম য়ামখৎলক্লে। য়ামখৎলক্লে। সিংতনি! (খন্দুনা ঐহাক্না তুমীন লৌবিডৈ) মহাক্ন চৎনা চৎনা হায়রকই —

"বেরীত্ন অমগুগা থক্লে—" অহুগা, মহাক্ন মথা চাই "হ! সিনিদো, ঐহাক মহাক্ক কাউনখ্রেদনা--।"

"বোমাগা?" ঐনা বেবী পী "রামা মুখরজীগা?"

"কনাগী বোমানো" বেবী লৌই "নংমক্রুত্ত মহাকপু কয়াদা খুনা কাওবমখ্রবনা? ঐগী কুন্তশিংগী হোম্বীবু কাওরক্রা— ?" ঐনা নুই ইন্দুন লৈবিডৈ - মহাক্ন বেরেপ হনখি। কদৌনি — ? ঐগু হুজিক যাম্ন নুংঙাইরবি!" তুমীন লৈখি। ঐনা মৈখেৎ খেৎতুনা, মা—ঐ বেবী চম্মিন্নে। চিঙলুরগা, মহাক্ন ওংলকই "অসি ভাক্তন। পুন্সিগা নুংশিবগা কবিগুম মরি লৈনদে। লেংখ্রাসি থুডবী মুপীমগা অমনা চানথুমফি হাইদোক্লুনা চীনচুপলোলাও হায়রক্লবদা চীনচুগে

চায়না ঈচং যাম্না থোন শেম-শারম্নবা মার:কো'পা:লো- চীনাগী মীয়ামলক্ত হৌহ্না চেনখিবা নত্ত্রা ? সিনেমাহ্। নংশু য়েঙ-খিবদায় ? হঙলমলগা হায়রকই "করিশু মরি লৈনদে। ঐগী খুদোং-থীরবা মতমসি লেনবা ফাওবদং, মহাক, ভাইগুমদবী ওইথি। ফে।"

"অহুম ভাংগস্ত—।" এনা হায "নংগী নবানবী, মুপামচাহ্ করিশু লান্দে—।"

মহাক তুমীন লৈ।

তশেংনমকশু মুঙশি:গী থাম্বীদা কবিগুম্না মরান অমত্তু পীশনবা। ঐহাক পামদে। মহাক লাঙ্কদবীনি। মহাক লু'চা'খিগদৌবা তুমিং মঙা ঙরুকনিদা ভায়রক্লবা ফাওবা মতাক্তগা উনহ্না মতম লেঙখিবীনি। (ম'ওমহুদস্তু শম্বন মকম মকমদা মথোয়নী হারী শা'খ)

"ভক্তিক্তি লে.ই:ব ণাচৌ--" মহাব কপ্পং ন .ভীথি।

"তু.ি ন লৈম্—।"

"নহাব ভক্তিক্তি ভ চা.হী:ব:োহ্ই যম্ন মু'ঙাঃই:হৌগনি।" হঙলকই 'নত্তবা ?"

"অং! ঐ ভ চাবরোহ্ই—।" মহাক্ত করিশু থম্মোঙ্গি শোক্ত-বগুম খুমথি "মুক্তিগী চাররোহ্ই।"

তুমীন তুমীন লৈবৈ। মুপামচাহ্ কপথী।

"চৎলো! লৌথোবউরো। ভুঙশি' অঙোনা হায়থি "পীরো"

"শেঙলব্রা ?"

"শেংগলবনী"

"লৈরমখো—। ঐ লোইনা চৎগনি। পুম্নমক, পুখো হুজিক" মুপামচাহু চংখী।

ঐহাক শন্থন রাংমদগী 'থম্মোঙ্গ অহুক কুনগনু' হায়গে খনখী অহবু নঙহৌদে—মতোমতা ঙায়হৌরবদা মহাক, মুপা ওইবগী মথোনা পুম্বা মাংখিহ্না থম্মোঙ্গ হীক্ক হীক্ক কপলকই। অতিয়া—য়াম্ম শুকখি।

(২১)

মহাক্কি পুম্নমক্সি খনবা নত্তে।

"মতমতুদা, ঐনা" মহাক্ক মখা তারকই "অহুগা ঈমা লুখ্রাবীনা, চানিংঙায় লৈবক্রুহুনা লকু ময়োন ফুৎ-ফুৎহুনা চাথীবত্রু কনা উবীখিবগে? তোক-ও! ঈমা ঈচাবুদি য়েংশনবিদ্রবস্তু ভোকও। মমা লৈবাকসিকাওরদা হৃদ্য য়েংশদ্রদে। ঐনা ভাংলুবত্ত অত্তীক নত্তে। ঐহাক লাই নত্তে। মরমাসিদগী ঐহাক, তৎশেংনমক, খুৎলায় পাযবা লালহৌ অমা পামখি—।" হুংলকই "সিবু লানবরা? মহুগীদমক্ত পোলিসী প্রোগ্রাম য়াম্ম মুন্ন থত্তখি—।"

শেন লৈতে। মরমসিদগী খুৎলায় পয়বা লালহৌ অদুমশু ঐহাক তোক্লগে খনখি ! মসিরু লানবরা? ঐখোয়গী- দি লেবাক্কী তেক্লরী থুগায়বা ঙমগদবা নী-পাক্কে। থোনাহ, ঐশু চেন্দে। মীযামশু থোনাহু শীনবীদে। অহুদগীদি ঐহাক পি, মীৎতগী চেস্থনকপা পাণ্গী ওইবা লানতৌ অমা পামখি-। পিগী লান—। মহুশু লৈবাক মচা পুন্নমক্কী মমীৎ মমীৎতগী পি শীন্ননদ্রবদি ঐগী শুইনা, (লুপ্রবা মচা ঐগী মীৎ মচা অনীসিগা) ঈপতনা থুক ওইবা য়াবাই খনখী মরমসিদগী লৈতে মচাশিং মমীৎ মমীৎনা মমা লৈবাক্কী অন্নাবসি করম উহনসিগে, অহুগা মখোয়গী মীৎতগী ঈহৌ কননবা মপিশিংভু করম শীন্নহনসিগে হায়না খনখী-। মহুশু ঙমখিদ্রে ঐদী। মরমসিদগী, ঐহাক তুমীন তুকশনহনা লৈপি—।" হঙলকই "লৈখিবা নত্তবে ?" ঐহাক পাওথুম অমত্রস্ন পীঙম- হৌদে মহাক্ল মথা থুনা তাথরকই "মহাক পুন্নমকসি কবি অমত্ত উবীখিবা নত্তে"

"কবিনো মানা উথিত্রিবত্ল— ?"

"ঈমা চা না লফু ময়োল ফুৎতনা ব্রা ভাংনদবমথৈ পংচা- চাখিবহু।" মানা খুমলকই "ঐনা তুকশনখিকহু, হা? ক্লমিন্তু, মহাক দোলাইথক নোমহৌ-নোমহৌ কবিশু সেঙশননলমদনা চংখী। খবগা নকপান ঐদী যেঙনীংদদনা যেঙদে। ঈমুংদ তুমীন লৈখি। মানা লুহোংববু ঐনা করিগী যেঙগনী? ভজীক্তী লানশু হোহনবা ঙমত্রে ঐ, মাশু লুহোংখরে, ঈমা লৈবাকশু

তৌগদ্রী মৌ নহাগী কোথুব মতোমগুম মায়কৈ খংদনা হাইহুনা লৈরে, নংগু, ঐগু সিনা হেক কৈ, নোকসনখই "হা হা হা ।"

ঐহাক তুমীন লৈ ।

মী চত্রবা খুররবা লম্বীহুদা চিদাই ওইনা য়ুগুলিবা তেলিফোন লাইনগী খুটি অমগী মখোংদা মুগুক মুগুক, মী কাংবু অমা লৈরম্মী। অহানবদা হেক তেক অমদি কোং কোং লাওবা খোঞ্জেলশিংত্থু তাবকপদা ঐখোয় ওক্করম্মী. অহুবু, মখোয় পলাস পায়হু থবক গুরিবা লাইনমেনশিংনী খংনরকপদগী অগুকপহু হুগনবকই। মখোয় অতংপ ওয়ার (তেলিফোন তরা) শেয়-শম্মরী, হুপা অমন খুদি মখোন্দা কাখৎহুনা তে ওহুনা লৈরী—। খগুদে, লাসহৌবা কাংবুনা থদংলমখিব্রা ? মহুন হুগলুবা য়ারিব্রা ? হুগ্রদ । মা ঐ তুমীন তুমীন চংনৈ।

ঐহাক (অচীকপা অহীং অমগী মরমদা, অহুগা, ইনথম থাজংনরকগে, অঙাংবা মুগুশীংনা য়ৈবদা অনৈবা পুম্বা মাংখ্রবা অকপা ইশীংনা থল্লবা পুখ্রী মচা অমা, অহুগা মনাকুদা মহাক্না যাম্না তুমীন ফমলহুনা অগাওবগুম তৌরম্বা মতৌ, মখোয় পুম্নমকপু নীংশংহুনা) তুমীন চংখি'

মতমহু—। ঐহাক অহীং অহীং খুদীং মখোয়দা হেক তেক চহুনা মাবু হল্লবপ্রা। হল্লক্কবরা হায়না যেগুশনলম্মী—। হল্লক্কবা মুমীংশিংদা ঈমা লুপ্রাবীহুবু শংহুনা ঐহাক মখোয়দা হেক হেক লেকখী। হল্লক্কবগী মলম থিগংলুরগা, মহাক্না অথাপ অথাম

লমশিংদা মী খোমলুবগী খোংচৎশিংছু ঐঙোন্দা চিংথদনা তমখী। (মতমছু ফাওবা ঐহাক, মহাক ঙাওরে হায়বসি তশেঙনা খংখিদে·)

নোংমা—অহীং অমা।

ছুমীত্তু, ঐ মহৌশাগুম মখোয়গী যুমদা চৎখী। অহীংছুদী, য়াম্ন চীকপ্রবা, অহুগা ল্লাকচীং হৌগৎলকপনা ওম্মোক্ল ঈংপ্রবা মতমগী অহীং অমনী। অহানবদা, ঈমানা অমম্বদা, মাওংগোনগী উংখাকতেন্দা ঙাহনা লৈরম্বছু ঐহাক শুমাং মতোন্দগী উই—'ঙসি হল্লক্তবমাল্লে' খনখী। মহাক হল্লক্তবদি তৌরমদম্নে। ঈমানা ·াকপীরকই "চংথাক্তে, ঙসাইদগী পুথ্রী মপানসিদা ফমলি চংলকউ হায়বশু য়াদে—" ঐহাক ইমুং চংশনলমদনা পুথ্রী মচাহুগী মপান্দা চংশন্দুনা মহাক উনখী। মমায় মাযথোং অহু কয়াদা শুকথরমপ্রবা! অহুগা অহীংছু, শক্তমত্ত, মরু ফুক্লবা উপাম্বীগুম পুন্সি' নবগী মরেক মহাও করিশু পকখিদে । মচীন্দ কবিগুম্বা ল্লাহৈ থবা মহাক, মুরুম মুরুম শোন্দুনা লৈরম্মী। মহাক কাম্নপ্রবী ভুঙশিভোম্বীগীদমক্তা থম্মোঙনা অল্লাবা পোৎলুম্মরম্বগুম ভৌথী—। হৌপ্রবা মপুন্সিগীদমক্তা মহাক ল্লারে। মসিদি মীওইবগী অহুগা পুন্সিগী মনাৎনী। ঐনা মভুংদা লেপতুনা ঙহাক মুম্ন য়েঙলম-গাবম্নগা মাবু কৌই।

"অঙৌ!"

"কনানো ?"

"ঐনী—ঐ লাল্লীবনী। নং চৎথোক্তরত্রা ?" ঐনা শমথে "লাকও ইমুং চংলসি।"

"কৈদৌকসিগে ইমুংদা—" মহাক লৌথোকলমই 'মিবাও মবক্তুদা ? ঐহাক লৈবা হৈনত্রহুনা অসিদা ফমলিবনী—। অমনবা যুম ওই'তৌবরা ঐ, ইমুংদা লৈরি মখৈ অ'নৌবা রাখল অমত্ত পোক্কে। অমনবা, হৌগ্রবা রাখলমক্ত। কবিগুস্বদা, ঐগী ফমুংদা হীপথগে হেক তৌবগা মহাক্ত ফম্নস্বহু নিংশংলকই—কবিগুস্বা, ঈমানা নাহেরকপগা, মহাক্ত ঈমাগী মনাক্তা ফমহুনা, ঈনে নং যাম্না রারব্রা' হঙথিবহু, অহুগা মমীংনা ঐঙোন্দা, চহী লীশীং লীশী ওমহুনস্ত্র লোইববোইদবা মরোল লোনবা মীংয়েঙনা চৈরাক পীবগুম যেঙথিবহু, অহুগা কবিগুস্বদনা, ঐগী মোন অমস্তু মোনপাক ফীদক্ত মশম-ঈশম নৈশনমিন্নখিবগী চুহৌবনা চেংঙী নত্রগা মনম স্তুংশিবা থাওগী মনমহু শেংখি-ইনখিবী ফীবোলগী মনমহু ওম্নমক্তু নীংশংলকই। ঙসিদি মনমশিংহু চুবদবে মচগীদমক্ত ঐহাব, কল্লকপা পোকলকই। কান্নদে ইমুংদ লৌবমখৈ লম্বি অমত্ত পুথোকপা ওমদে—'সিদা হেক ফমলবদগী" মহাক্ত চে লৌখত্তুনা উৎলম্নগা—"য়েঙউ—অনৌবা লম্বী অমা হেক মখগুই। ঙসি ফগু-লিবা লম্বী অসি পান্দুনা লালহৌরবদী, ঐহাক থাজে, শোযদনা মায়পাক্কনী ঈরৈবাক কনঙমগনী—। ফমলুরাও—! ঈদব ? মসি য়েঙসি।"

ঐহাক ফমথরে। ঐনা তৌদোকই।

"লম্বীশিংহু থমখো-" ঐনা হায় "মাবু লাকলাক্ত্রা অমুক্তা ?"

"লাক্কে—মপাম অমা লৈ হায়বফাও কাওপ্রোংনী— ।" ছুমিন লৈখী। মফি মহুংদগী বেন্নি লৌথোরকই, ঐঙোন্দা অমা পী।

মৈখেং থেক্তুনা ঐগা বেবী চম্মিন্নবন্নগা মুৎত্রিবা মৈছুনা য়ায়' তপ চে ম'চেং অমদা মৈ চুথংলকই । 'সিমতংদি থাকেথরন্নহনি অহুবু করি তৌনি ? থাদোক্লগে ।"

ঐহাক খংনীং নীংশংলক্লুনা মৈছু ফুং মুথংলী অছুগা চেক্লেংত্তু লৌশল্লি ।

"ও !" মহাক য়ান্ন তঙ্কনা হায় "অমুক পাক্লরন্নু কৈদোগে ? থাদোকগ্রসি — ।"

"ভাইবো —মযামছ্বাদ —? থাদোকগ্রবরা ?"

"তাংগোয়ছুনি —"

ঐগী ঈমাংদা অমবা তাংগোয়শিং লৈরি ।

"অহুনা ক্ষওবরা-" মানা হওলকই । "ক্ষওববা মচু ?"

ঐহাক্তী, য়েঙছুনা লৈথি । করিগু পাওথম পীথিদে অহাংছু ।

ঐনা হল্লংপদা য়ান্না থেংলে । (চুম্মী -ঐ উবাপাক মচানা লৈবা হোংঢল অমদা চা গীলাস অমা ওকখী— । মতমছুদা ঐনা চেক্লেক্ত পাথি । মৈনা চাকথংপা হৌথিবনা অতৌদি পাক্তম খংজে)

" রীগী — ? মছুগীদমক্তা ঐহাক করিগু খংদে - - । ভাচৌ, নহাক খংলকনা মতম অমদা, ঐনা নংবু করম্ন থনবগে হায়বছু । ঈমা ঈপাদা নং ংগী লেনরিবা মবাসি ভাকথোকনা খংদবসি খংকনসি মছুদা মখোয়না থক য়াদবা ভৌরোই— অহুবু নহাক অহুক তমথীবা রাশক অছু শক্লুনা (নংনা 'হেক ভাকপগা ৪ চাছুনা শিরমগনী৷ হায়বছু) এবু ভাহল্লে । কৈ, ঐ করিগু হায়রনদনা

চংখিগনী। অহুগা, সিমদী ঙাচৌনা হেন্ন খংলিগনি 'তেনখ্রবা অহৗংগী মীকুপ অহু নাম্বোকখিবনা নং ঐগী পুন্সি, খক তিনশন্নবা য়াশ্রর:রোই' হায়বসি। মহু তাচৌনা য়াবে। তিনশন্নবা পাম্বীত্রবা নত্তম্নদো? তঙীক্তী—। নত্তে, ঐ কবিস্ন ইররোই। নংধু যান্না থৌনা লৈবদায় কান্নবগী মরম্নদা? থৌনাহু শিঙ্জিন্নহুনা, চেদা, ঐবু শাওহনবা ওম্ব অথৗবা রাহৈ থবতং ইহুনা কান্নবগী অরোম্ববা নরাহৈ খরতংদি তাহন্নু। তঙীক মহুগী মম্মী—।"

চেহ্ন অম্নম্নতা ই। তঙীকম্নু ঐতোন্দা লৈরমগনী।

এনা পুন্নমক নীংশংহুন' চংলিতে মতোমতা ঙাংবা হৌরকই

"মীন্নুংশি য়াওদবা অহুগা থম্মোঙ্গ পান্দবশিংসিনা তনথীনা ওং নৈবকপনা, নমথহুনা থম্বীববা, হৌংখপা জন্নত্রবা, অতোনবা নাংওইবা কাংবুনা লাওনরকইবা নতবা—'ভসিদী তাইবংসি হোঙ্গলে তমথীবগী মশক ফঙলে' অশুক থম্মোঙ্গ শোকপা, অবংদা চবম-শিংগী—অনীকপা খোম্লাও অসি। ভসিদী খোয ঙন্নমক ঙানরে—। মতম অসিদা লৈখা ঙাবগী লৈশা তারবা ঐখোয় ঈরৈবাক মচাশিংনা মীন্নুংশি য়াওদবশিংসিগা তোং-তিন্নহুনা তুকশন্দুনা, লৈবসি চুমদবনী" মহাক্ক হৌরপ মথা তারকই 'ওট দি টাইগব' তপথরকই "নংশু ফাবকইবা নহৌরা? ঐখোয়না তমকপা, মঙাশুবগী অঙ্গেঙ্গা পরাহ্ন 'মেন নেভ এ টাইগর—।' কাওন্নু। ফনমক হুংশিরুরবস্ন মহাক কৈনি—। মপু চাংগ অগিনি অহুদি কাপলো—অহুদগীদি হুপাহুম্ন নোংমৈ পায়থংথী-হুং-শিন. য়োকচবা কৈহু হাংনবা, মশা কম্নবগীদমক, হোগংলকই।

নত্তরা ? 'শুট দি টাইগর'— । ঈশা কন্নবা ! নত্তববদি, শাহী' চাবা কৈগী খয়াত্ত থরায় থাবা—" হঙলকই— "নহাকপু পাম্ববা ? থরায় থাবা পামত্রা ?"

ঐ ভুমীন্নতা লৈ (থরায় থাবদী ঐগু পামদে— কবিগুরুদা নীংথীবরী থাবলগী মঙালসিনা মী চারম্বা থোক্লমলবা, থাবলগী মঙালদা, অচীকপা অহাংদা, মীওইবা কনানগু কোয়থোক্লহনা, হুংশিবা লৈনম নম্নহনা হৌখিবা পুন্সিগী বারীবু নীংশানরম্লোই) ।

ঐনা থাজে ।

মরী

না তাথোবা অহল অমা

(২২)

"ঐখোয়, নীং তম্বা পামমী। ঐখোয়, মীগী খোংনেং খোংনেংকী চৈনা" মহাক্ক মথা তারকই "চৈনা-খাদগী নাম্বোকপা পাম্মী। মন্নমসিদগী মীওইববু নমথবা পাম্বা মখোয়গী মায়োক্তা ঐখোয়গী অকনবা 'লালহৌ' অমা চংই। মসোমদা য়েঙলুরবদি ইদী, হন্দক ময়ক তৌরকলিবা মশক লোংপা কাংবুগী চাহৌ অসি তাশেঙনা তেংবাঙনীংই।"

ঐনা খামথী।

"অঙৌ— তুমীন নৈখো। খানা মমাংনি।"

'তুমীন লৈসি। ঈমা লৈবাক্কী চাক চরা অমনা য় য় হেন্ন লুই' হঙলকই "অসি নত্তরা ?" অদুগা নোকই 'হা হা' খংদে। ঐহাক ঈকাইরনা শিখি।

(২৩)

অশিয়াদা — ।

ঐনা উই অশিযাদা থাক্ত থবানমিচাক ০০ঙ তবঙ থোকলী ' যাম্ন কুইনা কুইন লংনকপগী মতাম মতোমতা নাইতোয়ম্ভাবন উচকশিং তরও তবত প ইরকই। অদুগা ওমথৈ লৈতনা পাক্রনা, কবিগুপ্পা, ঈথক হৌব লৈতনা ঈপাক অমদা হিনাওশিংনা অও গী শান্নপাং মান্ন হোন্নবদু নীংশংলকই। ওসিদি ঐ নীংশং ন্নাথন্দা চেন্তরকলীবা ঈপাক অসিদগী চাঁ লোন কযাগী ন্নাংমন্দা লৈপাব পুন্সিগীবু আরেপ্পা থুমনাপমলিওকম পাওমত্রা — ?

"ঐহাক নীংশংলকই ঐগী চান্নবী অমা লৈরম্মী। (মহাক কাইনখী।) মহাক্ক অসিওপ্পা থানপ অমদা ঐবু কোনজুনা হায়খিবহু —"ঐগীদি নহাক্তনি' অদুগা, মীওইবগী হৌনশা, তুংওইনবা পুন্সিগী ফীবপতু খংদ-উদা ঐগী হায়খী "নহাকপু পুন্সিগী থক

কায়নবা ওয়োয় ঐদী।" অচুদগীদি, লৈকা লৈকাশিংদগী শরুক লীশীং হেয়া থোংচ নোজবী চীনবানচু, ঐগী চীনগীশু চীন্দাংঙ্কফম ওইখিবা নত্তবা ?) মহাক লৈরম্মী।'

থারু থারু নোকপা খোঞ্জেল অমা ঐহাক থংতা তারকই। য়ারুবা থুনোককী খোঞ্জেলচুনা ঐহাক্কী রাখল পুম্বা মচেৎ মশীং খীঙমদনা থুগায়ররে। হক্তাক্তী ঐ পুম্নমক নীংশংবা থোক্তরে। ঐনা হওই

"অঙৌ—"

"কৌরকখিগমু , এন' ঙাংথীবচু চুমজ্রা থলু।"

ঐ কব্রিশু ভাহৌদে। অশুক শাংবসি মহাক কব্রি কব্রি ঙাংথ্র-দ্গে ?

ঙাংলমগনি—। ঐদি কবিশু ভাচৌদে। মহমসিদগী ঐ ভুমীন লৈ।

"মতম হৌখরে-" মহাক্ন মখা তারকই—"মহমসিদবু ঐখোয় পংশন্দুনা লৈ য়ারিব্রা—? ঐখোয়গী ঈপা ঈপু, অহানবা মীরোন— শিখি, ঐখোয়শু শিখিগনি ভুংগী মীরোনগীদি ? কমদৌহৌবা—? মচু খন্দবা যাদে—।"

ভুংগী—? ভুংগীদমক ? তারকই—হকচাংসি থক থক নীঙ্গি ঐহাক।

ভুংগী য়েঙলুবদগীনী—। (ভুংগী য়েঙলুবদগী নত্তবা ? কেন্দর থুংবা মুপাহুনা মপুক্লিগী চক্লোইনবী, হকচাং কয়াৎ, কয়াৎ

অমম্বগী মঙেও তাবা লৈত্রিবী মাঙ্গী ফমশেল্লজরিবী হুপীহুদা—চরমগী তিন কওনা, ৱাঙাং থোক্তনা. মমীংকি পি তানা, তানা তানা, থমোঙ্গ চাক্ক, মায় লৈনা খাংহুনা. তুংগী পুন্সিগীদনক পাও মেল্লম্বহু—?)

ঐনা নীংশংলকহৌবসিদী হৌখিভে মহাক ঐহাক সিনেমা অমা ইম্ফালদা য়েংমিন্নখি, মতুগী ৱারীনি। (কেন্সর থুওলবা, শিবনী হাযবা মশানা খওজরবা কুচু মুবা হুপাহুনা মহাক্কী মপুন্সিগী অমুক থানররোয় থম্ম চেৎন থাগোম্নজরম্বী হুপীহুদা, হুপা ওইবগী মথোনা পুম্বা মাংখরবা শক্তমদা. থম্মোঙ্গ শোক্ক হাযখি—।

"ঐহাক্কী, অমুক হন্নক্ররোইদবা পোৎশক অমা ভাইবদা, নংগুম্বী অমগী, নৌরিবী পুন্সি অমবু ঈবায লাযনা কেমহন্দুনা মাংহনবা, ঐখোয়গী চৎনবী অসি পামজদে—। কদায়? মায়হু ওনশল্লকউ 'অভাংবা শিন্দুর' ওসি ঈথুংমক্কা মুথৎলমগে—, অহুগা মৌওইনবা খুদম পক্করবী, নংগী, চহী ংবামভাগী নৌরিবী লৈশাবী নচাদগী হেন্না নৌববী, থোংলবী শক্তমহু ঈমীংমা অরোইবা ওইনা অনুক্ক য়েংলমগে—" মুথৎকে হৌখি "নমায় ওনশল্লকউ।"

নতমহু। থম্মোঙ্গ কাউনবগী মশক ওইখি—। হুপীহুনা, অশাংপী লৈরাংনা য়োমলবী, য়াম্ন পোংচ নৌজবী লৈশাগী মতৌ, মপুরোইবগী মকমদা মমায় নৈশঙ্করহুনা, মথুংন. তমথীবা কাউনপাওদম তমলিবা মপুরোইবতুগী থরায় পান্দ্রবা চীনবান থক থাত্নদা তপ্প শোক্কতনা হায়জখি - ঐ নীংশংলি।

"অহুন—। অহুম্ন থক পাওদম্বীগমু—। ঐবু থাদোকপিগমু"

মুপাহ্ করিঙু থুমখিদে। 'ঙরঙনয়ববা মমীংতুনা তুংদা ওইরতৌ-গনবা মহাক য়াওহুবা য়েংবানবগী মশকপু মুন মুন য়েঙখী—।)
সিতনী।

নীংশংলুবতদা, হকচাংসি, নীঙ্গীংঙাই ওইত্রিবরা?

(২৪)

ঐহাক কবিশু ডাক্তর ফাকম থোকই (মকম অমস্তং থুদোং চাদ্রবা মতমসিংগী মতুংইন্না) ঙাক শেল্লিবা করংবুনা, মতমগা চানদবা বাহৈ অকীবা লৈতনা ঙাংলিবা অঙাওবা ঐগী মরুপ, অমস্তং অথাম্বা যাওদনা, মাবু কবিশু থিংদনা তাহুন চংমিন্নরিবা ঐ, ঐখোয় অনীবু ফাকম থোকই। মবমসিংদগী, ঈথং খংহৌদনা মা ঐ পুক ঈম্ফাল থানাগী মুশি-মুশিবা মৈতান অমতং থানবা কাহুদা ফাজন্দুনা লৈবন্থুদা ঐহাক, 'কবিগীদমক্ত ঐখোয়বু ফাবীবনো?' হায়না অঙকপা পোকখিদে-। অহুবু ঐনা হায়রিংবা রাকম অমতং কৈ মতু তারবদী মখোয়, ঐখোয়বু থাদকক্কম পোক্কখরা? মহুশু ঐদি খংদে।

তুমীন তুমীন লৈনরিঙৈ শংগিন তোঙ্গ মোংমৈ অমা চেংনা পায়তুনা— ঐখোয়বু শংলিবা দাকগাহ্নদা অতোপ্পা দাকগা অমনা পাও পীরে এখোয়বু শংলীবা দাকগাহুনা হায়রকই।

"সোয় তাদবু" ঐনা খান্দ হায়রকই "ও,সি, সাইবনা কৌরি।"

"ঐবু - ?"

"অকোয়—"

ঐহাক ও, সি, সাইবগী ক্যাদা চংই।

"কে, পি, অদোমগী মিংলা ?" হঙলকই।

"অহোয"

"অঙো হায়রিবসি অঙাওববা ?"

"মাপ্পি, হোয়"

" করিগীনো" মানা যায় হৈনদনা হায "অশুক মথোং চাদবা মীগা অসিগুম্বা, অখিংবা য়ারোসি শাহুনা লম্বীদা চৎপীনিবসি :"

ঐ তুমীন লে।

'য়ারবদী অদোম য়াশিংসি অমুক ভাংহনবীরগম্ব

ভর্বোই হাযবগা মহাক হুজীমক ফাওজহারগে ।"

"ঐ পুজরগে। ভাংদনবা—"

"পুবিখিবনা কে—। অমুক ভাংহনবীগম্ব—। অটৈ ওফিসার হানরনদী কয়া কররোই—তুমীন পুহ্নুনা চৎপাখো—।"

"কনী—"

নোম্বখি—। কোন থাংগৎলী—।

"হেলো—! ও! অহুদি, মথোয় অনী থাজবরগে—।

হোলদার চাওবগা —?"

"চৎচরগে—"

"লেংখবো, লেংখরো"

নোঙ্গত্থনা লাইরিক উংহৌই।

অকীবা লৈতে হাযবা এনা করিগীনো ওহাত্তংহন্দা যাম্ন চোং ফম্নবা ঈচাবু মীৎতা—শং শং উথ্রিবহু ? ঐ হুজীক্ন নীংশংলকই। ঈশানা থংদবা থংম্বাঈদা করিবু লৈবনো ?

(২৫)

মহাকপু রা ডাংহাঙ

চেকশম্ন শেম্নহুনা পুবকপনী, অদুবু, ঈখং থংহৌদনা মচ'ক্ন কায়নরমদাই লমফাংহন্দা (কৈশামপাৎ থোং রাংমদা' চপ লেপলুরগা চায়রকই।

"ঈবাম্নিবু কাকরবদাই—?"

"ফাকরে"

"উস !" মামা হায় "পুনা থাদোবকংথ্রদা।"

"হা হা হা" মহাক হৌন নোকলকই। লম্বী চৎপশিংনা হন্ন হন্ন য়েংনৈ "হা হা,থাঙ্গৈনবৈ মরেব্রৈহে, মখোয় খন্নদী শিংলকএ, ঐ নংগুম্বা, করিগুম্বা লৈতবসি ফাজল্লগা করিগুম্বা কায়দে হায়বসি মখোয় খংলক্রমাল্লে—, কয়া থুনা থাদোকখ্রবা ! ওহানরাইদি ফাবা ংহৌনৈদো হায়দনা কনাগী মীংশ্মান থোক্লবা শন কাওবা পংফাদা ফাখিবদায় ? হা ? হুজীকগু জৈরিদমসে 'শন-থানা' হায়দনা। নং ঐ ফারগা কৈদৌনী—?"

"হোয়রে" ঐনা খামজল্লী। "তোকলো অঙৌ।"

মহাক তুমীন লৈখরে—।

থাজনা ময়েক শেংলবা অতিয়াদা– , অথকপা মৈঙাম্ন থনবা, খোং-লম্বীতনা মশীং থীগুমদ্রবা, মুমিদাংগী সনা কৈথেনদা, কদোমদা চৎকদগে চৎকম খংদ্রহনা 'চপ লেপতুনা' লমজ্জীংবীবনবা কনানো অমতং য়েংলিবী লৈশাবী মচাগুম, ঈথক ঈবাং পক্তনা অরংবা পরানমিচাক শংগুলক করি চাং হস্তদবা মঙাল পুহনা চপ লেপতুনা লৈবী। থাজ—অতিয়াদা থোকলী।

মহাক থাবলক্তুদা য়ায়া কুইনা তুমীন লৈখী—। হুজীকস্ত মহাক ম্না অমত্ত ঙাংদ্রি—। ম্না ঙাংদ-ঙাংদনা মফুৎম্নীং ফুমীংখাওদগী অমনবা ফোতো অমা পুথোরক্তুনা হাপু হাথু ম্না ঙাংদনা ঐঙোন্দ উৎলকই। মুঙশিতোম্বীগী ফোটোনি। ঐনা লৌশন্দে, য়েংহুনা নৈ। করিগীনো মহাকী মমীৎওগী মপি হায়কখিবহু ? মহাক মীংকী পি তারকই। তৈথাক্তে। ঈকায়বা পক্তে।

"ঙসিনা অরোযবা ওইগনী" হায়রম্লগা খাম্বা ইনও নঙ্হৌদনা মতম কুইরক্লবা, অমনবা, খুংনাং চারবা কোটোহ্ মচেৎ মচেৎ মকুপ কযা থোক্লা শেগায়রকই। অতগা মকুপশিংতু নাপী মথক্ত, খুজোক্তগী ঈশাং হৈথবগুম খন-খবতং চাইথরকই—। "মসিনা ঐগী হকচাংসি যাংনী "

"কঙ্গিনা ? অচৌ, কবিগী শেগায়বিবনা ?"

মহাক হুমীন লৈ। মপি লেপখরে। ঐনা বেবী লৌথোক্লনা পীবগা হায়—"চংলাদনা (জগোই-রাসকী ঈশৈ তৌবকপা থাপা তাবকই) জগোইগী ঈশদি তৌখবে।"

"চংলনী" বেবী লোই "শেগাযবিনসিগী মতম লৈ—।"

বাস অমা য়াম্ন কন্না থোরকই ঐনা মরক থংলি ।

"লৈখবকদে "

"মবম লৈ " খেপবকই মখা তারকই "চুকান অ্যাপা, নহাক্তী ফজবা রাখলবু নমথতুনা থতম চনশননা, খ্বাইদগী হেনবা মায পাকপনী।" খাশীগী পাওরেতু তজীক নীংশংলকই । মহাক্ন লৈসিমখৈ ঐনা হেংলই, মাপু যেলিমহৈগ ঐহাক ঈপ তাতুনা লৈ, পি লেপ্পনা শানসনা ঐমু পাংগন শাম্হন্ন। ঐনবাক্তীদমক থকনবা লাজতৌ অমা চৌনবা হোৎনবিদা ঐনা মীকুপ খুদিং পি তাহ্নু, কপচেংপা ওইনা লৈবগা কাদৌইতেনম্ব মায় পাক্লাই, মখকসিনা ঐবু পাংগন তোকখক্লম্ল—" হুমীন লেথি।

ঐশু।

"চংলগে। জগোই য়েংলুবগে," মহাক্ন মখা তাবকই—"ঐনা কোটোসি শেগাযবে—কৈশু বাকজু। লল মাংবদি কেশু মাংবা

নংঙু, মীনা ঐ। ঊকায থুম্নবীবমবতু মাংবদি — ' মতুশু শকক থন্না তন্না ম'যঙ তাথবকপতনী। পাংগননী, অতুগা লিংজন্নী, মাংহৈদবদী ! মাবু মাংপ্রবদি ? পুন্সিসি মাংলবনি। পাংগন মাংতমনদি যাত্রি। চৎলগে — ।"

"ফবে চৎলো।"

মতাক চৎখ্রে।

থানিল'নবী থাজনা, থাজগী মঙালনা, অতিযাদা লুপা — মুন্দাংলী। ঐ, মাবু যাম্ন তাম্না যেঙতুনা লৈরমই।

ঐগী লম্বী মাগী লম্বী। পুন্সি শু !! পুনশনবা থক য়াদ্রা ?

(২৬)

মুমীদাংতু ঐহাক নুম' যৌনা অতুম লাক্লে।

(ঐগী মুপীগী মথুংদা, যাম্ন নৌনা (ইন্দক্ত) ফম চাওখৎলকলীবা মীশক অমনী। মহাক্না মমীং মাযপাক কৌই — । ফম কাখৎলকইবা অসিদগী মহাক্না মহৌশাগী থংনবকপা মমিং 'ওঝা মাযপাক' হায়বতুগী মহুৎতা মায়পাক 'দি, আই, সাহেব' হায়না লোযদনা খংনবক্লনি — ।)

ঐনা, মহাক্কী ফম কারকপসিগী মরমদা অশুম খন্নরুহিবগী মরমদি ঐনা য়ুম হেক চংলকপগা, অরাং থগুবদা লৈরিবা ঈয়াম্ব-শিংগী অঙাং মুবীগী কপ্প লাওনবা, মেচীন থাবা শগোন শামু. কার. অমদি ত্রেক্তরনচিংবা অঙাংগী শাম্ন:পাংশি'না (ক্রেক ক্রেক, ক্রেক, শ্রিং-ং-- । অশুম্ন থোক্লরকপা মেচিন হান্দা-ববপগী) খোঞ্জেল, অমদী. লুপা চঙম য়াংখৈ পাতুনা দারজীলিং (দার্জ্জলীং) দগী লৈরকই হায়নিবা, ঐগুম্বা লাইরবা অমগী (ঈতু-ঈচা-নৈ) ইমুংগী নোংমগী ওইবা চাক'চা শেন য়াম্নত্রবদা লুপা ভকক মুক) চাকচা অমুক্ত চাহন্দুন য়োকলীবা, মতু চোম্বা হুইতুনা য়াম্ন থোঙনা-থোঙনা ভংতুনা খোঙলকপগী খোঞ্জেল, খোঞ্জেলশিং অসিত তাথী। ঐগী ঈমংদা খোঞ্জেল অমগুগী মপু ওইরমদরে— ' অপীকপা পোদোন অমতংদি থানলম্মী-- । অ.থংবা, মুমিদাং ওইরক্লবদা ঈতু ঈগা অমতশু লৈবমদনা! ণৈহাক কারিশু ভকখিদে। (ভসি অসি মবুংন মরুপ মপাং খং। চাক কৌরি হায়বী—মচগী থনক নোম খোংনব) মহাক মচাহুগা মপাম চংখী !

লাকনি— । লাক্তরবদি-- ? ঐ থাজদে মচ- । অহুক ভকপা পুন্সিগী মচৌ অমশু, রাবনা ঈপা লৈত্রবা ঐভোন্দ শরুক ওইনা খুঙলমখিগদ্রা— ?

অহন্ন তম্বা ভমদ্রে — । মসিদি চুম্মী—তাইবং, তম্ব ভমদে । তম্ব ভমদবগী থুদম থরা—

(১) পোকপদা ভায়বিবা অঙাংগী মীৎ মহাদগীশু শরুক যায় পীকপ্রবা মাইৎেল মরুদগী. লৈবাক ফাওবা (থাইনৈ) গানবী মেলাদ যঙবা লা.লিবা বাখল লৈরবা মীওইবা লৌশীং লৌশীংনু ঙকহনবা ঙম্বমথৈ চাওববা, মাইবেল অম। থাম্রকুনা ফমফম চাওনা কন্দুনা। লেরগানি হাযবরু থারুরিবা মুপাহুনা খলমগন্রা ?

(২) পোং ল লানবা লাকপ। কাংনুহুনা পাক চাওববা ভারত, মখোযগী লালোনশেন ওহন খবহুনি — ।

(৩) যাওগানশন্দা পোকখিবা মযাং বংবা, যামবা মচ ওইগান শন্দুনা হাজকপী মমা অসল পোবপা অঙাংহুগী মখং থোংয়া খাদা—ঙসি অঙম থুবম্বরগনা —কনানবু হাখবা — !

(৪) অহুগা, পাক চানবা অঙেগ্রজ লাম্মীশংগা লাম্ভৈং-নবদা পুন্সি ম লিন্নু থমণ্ব মেতে মচানিং— ঙসী তৌবনসিনি .

তংবানবসিদ শম্মাতশু নাঙযম লেবমদরে। পুমনবানি যেঙনুববদ হেখ্বা অমগী মুপীনা মচাহুগা কোযননা, মপানদ যুমসিদা অণাক হন্ন থোংদাবরোই খনাখহুন। ইমা এদি বনিন ঙংপা নঙবে ঙরুফম ওইদরে।

মুমী ও ঐহাক ইমুং চঙলে। ঈ.এ.মত চৌকুদা তুমান কমহুনা লেখী।

এগী ভমথীবা বপুন্দু— ! থম্মোই অসি কাযথী ঐ।

ঐগী নাবোন তায। থম্মোই যুকপা, যাম্না তমথীবা থঙেল অম। মুপী অমনা ঐগী হুমগা যাম্না নরুবা মকমদা (থোঙাপা মাল্লি) থমোই যাম্না পনগ্রবী মতৌ, মক। লাম্না

মোকপা, খোঙ্গেল অমা শারকই। (মুপীজা ওইবীশিংগী মকা মীনোকী খোঙ্গেলবু য়াম্ন ৎমথীবা,—খোঙ্গেলনি হায়রিবা ঐবু ভাওরবরা? নত্তরগা, মীওইবশিংগী খোঙ্গেলবু সিনাসি কৌগদবনী হায়বা থংদবা—থা, থরানমিচাক্তগী তারকপা অনৌবা মীরা ঐবু—? ঐ করিত্ত নত্তে। ঐহাক মালেমসিদা পোকখিবনি, মালেমসিদা চাওরকপনি। মীওইবশিংগী চৎনরোন, ওন্নমক থংই। ঐহাক মীওইবনী। অরাবা, থুংভাহবা ৎমথীবা অদুগা মকা লাধ। —খোঙ্গেল থুদি, মখোয়গী মমী: মথাগা লোক্তনা ঐহাক মশক থংবা মীশক্কী। অদুবু, ঐহাক হকচাংসি থক থক নীকথী, রাংল মা থী, চবমগী তিন কথা, মাং নমথী। ঐহাক, পুন্সিগী লোইনবী ন, এগী পুন্সিগী পুন্সিনি-, লৈজদহনা শেত্ত-চাত্রবস্থ ঐগী মাযথোংদবু হেৎজরগ চাদবতনা হাপ্পবা ৎপুম্বী পেন্নকম ওইবমগনি হন্দুনা, য়াম্ন রাখল চাওনা ফমদিবী এগী হৎমগী মুপীদা। ঐন, ৎগদবা মফমদা - মপুরোইব, ঐগী ৎমাক্ত—, লমলানবা মুপা অমগী চিরোমবা রারী শানমিন্নতুনা, থরায় তানা-তানা লোবলনদ লাইং লীশীং মকা লাঙ্গী মুপীদা ওইবীগা মুংশিরদ মানোক ওইসনু—তেংনাদগী চংনরম্ব। খোঙ্গেলগী মিভাগোচ ঐনা চংগাযগনি, অতুগা, ঐনা খাঙ্গেন্দুনু থ্রাইদগী তমপীবা খোঙ্গেল তায়না কৌবমগনি) যাম্ন ৎমথাদী খোঙ্গেনসি হেক তারকপগা, ঐহাক, পুকফন্তবা, মীরা-মীপাও যাম্ন ভাগন-ভাগনথ্রবা মুপা অমগুম, ঈমুংদা, না থাওগন্তুনা রাহৈ অমা অনৌদং হাংহৌনবা তুকশন্দুনা লৈ—।

ঐগী মুপীনি, ঐগী মুপীনি। ঐগী মুপীনি। শেঙলে।

"কৈদৌগে অহুবু —"

(মহাক্ক কবিনা অমা হাযখ্রমাল্লে। হাযগ্রে। ঐ তাহৌদ্রে।)

"লেঙঙো অহুদি' ঐগী মুপীনা হায়—' নত্তবগা শম্বল ব্রাংমসিদা লেবীরম্মু। হোরেন—নো'য়াহগী অহুরাইদা ঐহাক থোরক্ক। নোংঙাল্লগা চৎখ্রো—।"

"অঙাংদি— ? মপাদি—?"

(অচুম্বা ব্রাহংনি—মুপাসি কনানো ? অচুম্বা ব্রাহংনি মসি।)

"মাহাক তুনখ্রগা থোবকদৌনিদনা—।" ঐগী মুপীনা— ।

(কবি ! থবায় পান্দবা, তুগুম্বা বাহৈ ঙাক এগী মুপীনা ঙাংলে।

"অহুগু কিরবা ' মুপা নত্তগুম্বী ! ' য়াম্ন চান্নগ্রবা, মুপীগা খোঙেন্দু !

(শিখিবনা ফৈ। থবায— ! চৎখো ! তমথীবা লৈবাকসি থাদোক্তুনা চৎখো ! তমথীবা লেবাকসি থাদোকখো—হকচাং পোলাঙসি তান্দাকলমলো। চেলহো ! বেদনে ! না পংবা মুপা ওইনা পোকলুরো চৎলু।)

ঐহাক - মশক্কু অমুক য়েঙনীংলুদ্রে— । (য়েঙবা ঙম্মোই। লৈহাও লেরেন্ন শমগেনবী শমজাবা মনম চেন্নখ্বা থোক্লবা, হ খনু, কনানো, কবম্বা শাহনোন চুমহন্নীংদবী, মশমবু থওইদবী লৈশা-বানো -, লৈহাও লেরেনবু য়াম্ন হরাওনা শাইনোন লেংহনগ-দবীহ্ ? ওইরোই। ঐগী মুপা ঐনা থল্লুবগা ওন্ন-তৈনরে। থমোঙ্গ পাল্লমদরে — । এহাক মাবু য়েঙলম্বা পামদে—) য়েঙনীংদে।

মবমাসিদগী, মহাক্ক ঈমুং চংলকত্রিরৈদা ঐহাক্ক, ঐগী কোটগী ফুবীং-থাওদা খেৎপা ফাউনটেন্ন, ফাউনটেনগী অমুবা মুকী মহী চেনবা

মচীম্ন ঐগী ঈমীং অনীমক্ত হম্ন হম্ন থীনজঙ্গহুনা লেপত্রবা অহাংবা ঈ (ঐদী উথিদ্রে) গী মপৈ মপৈ তাহুন্দ্রনা মীং তাংহঙ্গবে— চৈনাহু খাংবদা ঐ করিগু রাখিদে—। অহুদগী হেনবা অন্নাধা চেনা, ঐগী থমোঙ্গদা যুথী। যুমহুনা লৈবী।

ঐগী ঈন ঙাংলমখিগদ্রা— ?

ঐ শংখি দ্র ।

অশুম্ন ঐ মীং কাংবা স্নপা হাযবহু ওইহুনা লৈ

ঈতু ঈচা— ? খংদে —। মীং ইমম মমখী—। লৈখি চায়বগু কাওখি।

ঐ ! চা ননবা চেং কনানগু পীবীরদে।

মতমসিদা, ঐগী বাবনা মতমসিদা, ঐনা ঐগী অঙাঙনা মকুপতু ঈনাক্ত হরাওনা নোক্তুনা লাকপা থেঙনখি—। মহাক্ন হাযবৈ "রাগন্ন ঐহাক্ন নীজকনবদি মীপুম তিঙনা পীনবি নকই—। পীনবীবকপা পোংশিংহু নহাক্ন চাও—।"

"নচদী "

" ণগীদি, হোটেল হোটেলদা, মপুক পাঞ্রবা মীশবশি গী কমলম্বা অবেম অপাঙনা, বনাদগীগু মাতং লোদনা পুক থনবা ঙম্বা মীশন্নী।"

(অহুদি ! হযীংগী পুক্সিনিদনা) ঐনা খল্লি ভুমীন লৈখি ।

থোং গে লাওনা হাঙ্দাবকপহুনা ঐহাকপু ঈঙক হাইং-গংহনখী।

ঐনা ঙক হাইগংতুনা য়েঙই।

"কয়াম কুইবে—হনবীরকপা ?"

ঐনা ঙকখী ! করি হাইংনো ? ঐবু কয়াম কুইপ্রবগে ? চঙী কযাগী মতুংদনো অমুক থেংনরক্লিবসিনা— লম য়াম্না হেনবা, মখোং যাংপ্রবা, ঐগী ঈতোমতগী হাথন্ন ঐবু পুন্নবরা ! কনানো সিবু ! (ঐন মুন্ন যেঙই) ঐগী মুন্নানি। ঐবু মীং তাংপ্রবদাই ? ও ! ঐবু তমথীবা রুইহ যান্ন ভাখিবদাই ? ঐবু, অচাওবা ঐগী মকপতুনা য়োকপীপ্রবদাই ?, ঐনা, ঐগী অঙকপতু ইংতুনা মঙোন্দ যেঙই।

ঐগী মুপীহু সভোবা ফিনা কুপ্নকপা চান শামুক নীংথিনা থমলুরগা ঈনাক্ত ঙক্ত চংশল্লকই হঙলকই।

"করি তৌবারবগে— ?"

"কৈশু তৌদে - ।"

"চাক পুবরী —, তাচৌনা পুগো পুখে রূযমন্দনা।"

"চাক !!"

"হোয—" মহাক ঙক্ত যেংতুনা লৈ ঐবু

ঐহাক তুমীন লৈ ! কবিশু ঙাংলমদে—

(ঐহাক কবিগীনো অতুগুন্দা হাথুবা ঈথোঙ্কেন, অশাংবগী মতুং, যন্ন ভেনপ্রবা পোন্থোক অতুগা চবান্নবা ঈতৌ পুবা, যাম্না ঙকপ্রবা হাইং অমা শীজন্নতুনা মঙোন্দ হঙলুবতু ? চাক চান্নবতবু পুন্সিদগীশু হেন্ন তাংবা অর্ব পোংশক অমতম ! ঐ হৃদীবশু খঙ্গ্রী। অতুনু ঐহাক থাজবা অমতংদি থাম্মোইসিদা ঙমীশু কোক্তনা লেরী)

'তেংবানবসিদা, অনৌবা তমথীব', হুঙশীং অমদি শীংলাক্ল।'

(২৭)

চহী নীফুগী মতুং ঐনা অশুম খনগনী—

(অহিং অহু অশুম্ন থোকখী। ঐগী ঈরম্নাইগী রাখল্ল ঐবু অশুম্না তম্নখি । করি মরম অহুক তমথীবা রাখলগা ঈপাক্লচা ঐহাক্ল তাওরুবনো হাযবা, ঐহাক ঙসীশু খঙদ্রে । মীশইবগী রাখলবু রারক-রাতেম য়াহৈত্রা? সিতদি খঙলে।

ঐষু, ঈতু থাজদবগী অহুক তমথিবা ঈনাখল পোকহনখ, মবমদি লমচং নাইদবা মীওইবা মরকসিদা ঐগী রাখল্ল হিংহনা লৈ।

ঐবু চবা হেনবগী রাখল পোকহনখী—, মরমদি. চানা কংদ্রবা পুন্সিশিংগী হীক্ল-হীক্ল কপ্পবা পুন্সি-লক্ত, ঐগী রাখল্ল, তত্তনা খেঙনহনা কোযহনা লৈরে।

ঐ, ঈশাবু ঈশানা অহুক তোম্বনা খঞ্জবা ঈরাখল অম্না অচৌংহুদা পোকহল্লে, মরমদি, মীওইববু নমথবা পাম্বা লমদমসিদা ঐনা শিঙম-নাওমদনা, ওসি কাওবা হিংহনা লৈরে—।

ঐনা, ঐগী মুপীবু ভক্ত যেংলগ—(রাখন্দুদা) মরমদি, পুক্নী লান্দা, মপু'বাইববু হওগী লাইহল খন্দাক্রববী, মযুমগী মুপবু, থবায় পান্দবী অংযেকপী লাইহুম খোঙ্খোক্তনা চবা তাম্নবা মুপা অমসুং মুপীনা থল্লবা লমদমসিদা, ঐহাক্ ঐগী মুপীগা চান্ননা লৈগনী, তেমশীংঙ্গনা হিংলগে—।

সিদগী হেনবা (অহীংদুদা, কদ্গীদমক্ত অত্তক তমথীবা রাখন্দুদা ঐনা ওাওকবিবনে হাযবগা মবমদা) অহৈংদি ঐনা কবি খংগনী।

ঐদি কবিগু খংজ্রে ভসিশু।

অহীং অত্তমংদী ঐহাক কাওভমট্রি

ভসিদি, এ ঈশ্বরগী চংী ৩মদ্রা ংরুক গুবে। ংেংন নগ্রসি হোংখরে। ঈরৈবাক্, অশুম-অশুম খোঙ্জেল থোক্ত বপথংক্লকহ, অত্থুগা, ঈরৈবাক্কীদমক্ত, ঈবৈবাক্কী যাইফ-থৌদাংগীদমক্ত ঈচং থৌনা শকক য়াবমগনি থল্লম্বা মীশক ঐহাক্ কবিগুতে ভমদন। অশুক শাংবা পুন্সিগী মংমসি থস্মোইন্নুংদতা ভমচাক্লক্তগুল। হৌহনখরে। মসিদি পিদাম্ররকটে ম:পোকী খুদম নত্তববা? কনা অমগুনস্থ এগী শিংবনদাইগী প শল্লবা ঙলা:কোংসিদা ঈরৈবাকী ওইবা, মবৈবাক নীংবগী রাবী অমগুস্থ শাদীরগে। অদুগুম্ব রাবী পামজবা মীশক অমনি হায়নস্থ লমদমসিগী মীশক মীওই অমগুনা থংনবীদ্রে।

পোকপদগী চহি হুমফুত্তরাগা তকক (৭৬) শুরকপা ম'তম অসি কয়াদা শাংথ্রবনো—! ঐবু, শাংথ্রবা পুন্সিগী মতমসিদা

ঈমাগৈবাক, ঈবৈবাক, মাগীদমক্ত করি তৌগমগ্রবগে— ? খুৎ খোকপা খৌদাং অমত্তম্ম য়াখিদমাল্ল খক্তে। খম্মোঈদা ফুমজুনা কদৌনী-- ? ঐস্মু খংই—, পাক্কা লাইরিক য়াওরন্থা খোংনেং-ঙমজ্রবা লৈকংলা অমগীদমক্ত 'ওম্ফোক্ক শাগ্রেদা' হায়না লাইরিক পারিবজুনা, তোওনবা মগুক্ শাংবা উং, কদৌডৈদম্মু লৈরম্মোই। অতিযাদা মুমিং খোকই—, লৈচিংনা মরোন থানা খন্দুনা মশক উহল্রবা কোবোহনবু কিজুনা কনানা য়েমপাক খনগদগে — ?

ঐ শিগনি — ?

- মতমজুদা. মৈ খাদোকপ্রবা ঐগী হকচাংগী উৎ মপৈনা ক্লিন-শনফম লৈমায় মথক্কুদা ঈচা ঈশুনা পীক্প্রবা ধুম্রা মচা অমতং শাগংসনু — । মজুদি মোঙ্হায় শাগৎপা য়াইনা।

শাবা ওইসন্থু। মজুদা মঙ্হায়না করি করি থাগনী ?

(ঈপা ঈবংঙো —। ঐবু পোকপীবশ্ব .....। ঐগী ঈপু-রোইবা .. ..। লাইরৈবাক তানপ্রবা .....।) অজুবু, ঐদি অমত্ত পামজদে —! (মরৈবাকীদমক্ত - থৱায কৎখিবা .. । লৈখিদ্রবা লৈবাক্কী মনাই, (অজুগা ঐগী য়ুম্মাক, মিং .... ।) লৈবাক্কী মপা, (অজুগা ঐগী য়ুম্মাক অমম্মুং ঈমিং) মসিগু ঐহাক পামজদে—। ঈতৌক নত্তে ।)

ঐদী না পংলবনী। ঈমা লৈবাক্ক অশুক হৌনা হৌনা কপ লাওবাবু করিগু তাশিন্নদনা লৈবহম মতম চুম্না তুমীন্নতা লৈর-বনি—। ঈশানা খংজে—। মরমসিদগী --করিগুম্বা, ঐবু মুং-

শিনীত্তুনা, ঐগী মীবেমখাক হায়বত্তু ওইত্তুনা মৈ থাত্তুনা উং ওনখ্রবা হকচাংগী, উংকী মপৈনা তিনশিন্নগ্রবা লৈমায় থক্তুদা ম'খায়না ফুরা মচা অমত্তুং শাগংপীবা থোক্লবা, অত্তুগা, ফুরাত্তুগী লীকগ্রবা চেক্কী ফক্লাংত্তুদা রাহৈ পবেং থরতংগা ইবিগে থন্নরক্লবা— অসিত্তং নী'শংনবীরক্লবত্তু পীনবীসন্নু—মখোয়দা।

"না তাথীবা অহল অমা"

ঐগী পোলোযকমদা মখোয়না হওগাম মক থবত্তং হুনজন্ন-বমগনী—। মত্তুমতংগা ঐ পামজে—। শোযদনা হুনজন্নবীবা ওইসন্নু। হওগাম মরুশিংত্তু হুম-হুম চাওখংনত্তুনা মক। ফন্নরকসন্নু, অত্তুগা, লৈবাকসিগী লাইরবা ইমুংশিংদা য়োকচবা মতীক চাবা শক্তীক হুনওমদ্রবা শন য়াংগংবী মপী মচা অনীদংনা হংগাম প ম্বীশিংত্তু মপুক পেম্না চানজহৌসন্নু —।

চংনবীগী মতুং ইন্ন মসি কাওবদংদি—মখোয, ঐওোন্দ ভোবীরক্নী থল্লি। অত্তুগা ঐনা হন্নাওজে।

অমুকন্নু কিজবকই, 'কন্নিগী অশুক হন্নাওবনো ঐনা—? মীওইবগী মন্নমদা ঐনা কযামুক থংত্তুনা অশুম হন্নাওবা ওমজগদো-ন্নিবনো—?' থল্লুরবদী, হন্নাওকম ঈন্নৈ লৈতে।

তশেংনমক, মীওইবগী মন্নমদা থংবসি—য়ান্ন রায়।

-লোইরবা—

পাচাগী অতৈ লাইরিক

★ হয়াদ বেগম

"হয়াদ বেগম নুংশি মু'ংগনগী রায়নী তত্বু রারী দি অচম্বা রারী নত্তে।"
"তুরেলগুম পস্থদনা চেম্থ্রবস্থ লৈকোনগী লৈরাংগুম্না মতাং খুদোং নীংথিবা রাখল পোকহল্লী।"
"রারীগী স্টাইল মায়মক নীংথীজে।"

ওল ইন্দিয়া রেডিও, ইম্ফাল

★ না তাথীবা অহল অমা

"মায়কৈ খুদিংমক্তা পেক্কবা অমম্তুং নীংবা কায়বনা লাঙ্গোই চনশিল্লক্লবা শাইরবা নহা অমগা মীংগেং মায়ক শেংনা ফোংলাকই। মওমগী লৈতাক-লোয় অপেনবা পীবা ওমদ্রবা পুক্লাং লৈতাদ্রবা. সমাজগী অমোংপা মরক্তা ঈরাক্লবা মীওই অমাগা নুংগী তাংবংদা কুমথক্তনা ইম্নর ফম্মপিরিয়েঙ্গ পুখোক্লবা হোৎনবা পাচাগী অনৌবা খুৎইনি।"

মিংশেল

★ চক্ষু

"চক্ষু (১৯৭০) অসিদি Romantic Novel নি। .. ..

পাওখুম ফংলরাইদবা নুংশিবগী হাইং কয়া হংলী মানা অপাম নু'শি মৈখুলক্তা চাওরবা কয়াগী। পুন্সি হায়বসি ওম্বা ওমেদে, নুংশিবা হায়বসি অচাওবনী সমাজগী চংনবীনা মখোয়দা চংদে.............................."

মিংশেল

★ ইম্ফাল অমস্তুং মাগী ঈশীং নুংশীৎকী ফীভম

"মনিপুরী সাহিত্যদা পুন্নো নৌবা মওঙগী উপন্যাস পুদোল্লনি য়েক্লিবা পুম্নমক মাইকৈ অমদা নপ্রগা অমদা লৈখা তারক্লবা, পৎথ পুমথরক্লবা সমাজ অসিগী মশক মক্তনি—"

রাখল

পাচাগী অতৈ লাইরিক

★ অনোবা পাণ্ড অমা

"উপন্যাস অসিদা ঐখোয়না ঐখোয়গী পুন্সিদা অমা তৌবা—মরু ওইনা যজবা নিয়ম নাইরবা পুন্সি মহিং অমা চাং চিন্না লৈবা হায়বদুদগী ওন-থৈনবা ফল ফংলকপা মতমদ লেংলবা এগী পুন্সিগা তায়ানিন্নবা য়ামবা ফিভম অমা উৎলী। মদুগী ফলনা ঐখোয়না নাওকোল্লীবা পুন্সি-সিবু তুরুচরবই অদুদগ' মসিনা মরম ওইদুনা তাইবং মীওই পুম্বু নংবা কায়না তুকচনা উরবই।"

মিংশেল

★ লাংগোইনাই

"লাইরিক অসিদা পংলরীবা প্রোগ্রেম অসি মথম খুদিংদ মতম খুদিংদা চুমগনি, এপ্লিকেবল ওইগনি হায়বগী ক্রেম অমা পাচানা তৌরী"

ঋতু

★ লগ অসিদা ঐবু খংবা অমতংদি খোরকপ কৈ

"পুন্সি অসি লাইং বয়া হংদুনা শায়বদ ইত্তোমত পাওখুম পিজবা লাক। পুন্সি মশক লাক। অসি Universal definition না য়াদে হন্সা হন্সানা পুন্সি মশক তাকচবা তাই। ইশাগী definition পীজবা তারে। (থিমাদি) Loneliness নী। পুন্সি অসি melancholy ওইব লেল্লকই। (বারাদি) Artiste, Painter অমগী বার ন।"

মিংশেল

★ পিগী য়ারী

"উপন্যাস মচা অসি হুংশিবা অতুং ধর্ম তন্ম য়েংলবগী কাহেংনি। লাম্হেং অসিদা ধর্মগী অশংবা মশক-কম্বোকপা, শ্রদ্ধা উগনি, অদুগা পিরোইনরবা থম্মোয় গুমহৎলব' নুংশিবগী শক্লোন অমসু থেংনগনি।"

সাহিত্য

পাচাগী অতৈ লাইরিক

★ খামিল

"মায়া রোমান্টীক ওইনা শাগৎলরীবা উপন্যাস অসিদা পাচানা য়েবলীবদি চরিত্র অনী অসিগী নুংগী শ০ঃপানশিং অহুনী-মহৃদি-পাইরিবা লৈচিলগুম্ব মথল মথলগী শকুম লৌহুনা উপন্যাস অসিগী চেনাশিংদা উবা ফংই।"

পাচা অমসুং মাগী সাহিত্য

★ কলিমায় মমাংদা লাইবক কৎপনু যাওই কত্তবগু য়াওই

'মীওইবনা লৌনরিবা থাজবগী বাংমদা থোক্লবা থোলোবাশিং খরা বিগু কোবা নুপা অমনা হৌখিবা পুন্সিগী থোলোক নিংশিংবগা লোয়ননা উৎলবই।"

সেমিনার, পাচা মীতৈগী উপন্যাস



দি পাচ পাব্লীকেশন্স

সেগা-লম্বী, থৌদাভাবোক লৈকাই

ইম্ফাল, মনিপুর, ৭৯৫০০১

লাইরিক ফংফম—

সৈত্যা বুক হাউস

লম্মী বাজার, ইম্ফাল, মনিপুর—৭৯৫০০১

প্রতিভা লৈব্রবা অইবনি অশেংনবক ইংরাজী বাহৈগী জিনিয়স হায়বমক য়াই।

— এলাংবম নীলকান্ত সিংহ

অনৌবা পুন্জি মহিং অসিগী মশক ময়েক শেংনা ফোংগদোকপা ওয়েবা উপন্যাস কলাগী অনৌবা মকোংদোক . . . . 'ষ্ট্রিম ওফ কনসনেস' হায়বা খঙনবা উপন্যাস মখল অসি মণিপুরী উপন্যাসতা ইহান হায়না পুন্শিল্লকখিবা মীশক্তী পাচা মীতৈনি।

— ডাঃ নহাকপম অরুনা

পাচাগী তোপ তোপ্পা ফোঙদোকপগী ষ্টাইল লৈ। লোল খোংলি (lyrical prose হায়বদুনি) চপ চাবি লোন্দা হায়বদি মীমাও ফমকগদবা বাহে কয়া মহাক্না ফজব্রবা বাবেংদা প্রমান তৌদুনা ফোংদোকই।

— কুরাইলাংপম ইবোয়াইমা শর্মা

উপন্যাসকাব পাচাদি মীওইবগু য়ায়মক নুংশিজবনি। মহাক্না মীওইবগু ফজহন্নীংই। অচুম্বা মশক লৌহন্নীংঙি। অশেংবা সমাজ অমগু মহাক্না পামলুই...
.... মণিপুর মাঙহনবা মীশিংবু মহাক্কী উপন্যাসতা য়ায়া শাউনীংবগা লোয়ননা কবেন্নন উংলকই।

— কে: হেমচন্দ্র

না তাথীবা অহল অমা

করিনো তাইবং ? করিনো পুন্সিগী মখল ?
মহাক অদুগুম্না হৌখিদে, হৈরম লৈমম্না নাকোই খৌগৎখিদে,
অদুক, মুক্তা লাকটে খুনাং মমলবা মোংফুগা,
অমক হেন্দোই হেনাংখিদে পুন্সিগী
মীকুপ মীকুপ খুদিংলা হিরিখিবনি,
অদুবু, ঙসিদি হৌজী লমজা হৈত্তঙনজব্রবা লৈতোনশক
লৈগী লমজা লৈনম লৈহানত্রবা নাতোনশক
মহাক করিসু অত্রেবনি।

তলেংনা হিংবা নুংঙাই তাইবং-মাপেম তুবসিদা,
অদুবু, চিরোন হৈবা কনানো, লৈরমগনি নাথেদুনা,
নংতববগী অসুক মরাইনবা হেন্দোই মরম্বী তাইবনে
অসুক লাইব চুদং মিতঙ্গারবগদ্রা ?
খাজবা, নুংশিবা, নিংখিবা, অসমক মাংত্রে
মবংসিনা মানা অসুক হায় :—

"তলেংনবক, অঙাইবগী মরমদা খংবসি য়াম্না য়াই।"
— পাচা

মমল:- লুপা ৩০

পাচা মীতৈ

(১৯৪৩-১৯৯০)

পাচা মীতৈ খৃ. কু ১৯৪৩ গী জানুৱারী থাগী তাং ১৭ দা ইম্ফালদা পোকখি। মহাক মাল্লা নৌবিন্তে পুন্সিদগী লাইরিক ইবা হৌরকখি। মহাক্কী পুন্সি পুম্বা লাইরিক ইবা অমসুং পাবদ কংথোককখি। মশাগী চহি কুন্থরিগুবদা হয়াদ বেগম কৌবা মাগী থুংইহ লাইরিক অসি ইহান হায়া ফোংদোকখি। মহাকনা মথল কয়াগী লাইরিক কয়া ইবগী। মতম মতমগী চেককোকশিংদা মাগী ৱারেং শৈরেং কয়া ফোঙদোকখি। মশা লৈবিদুদা লাইরিক মাপল (৯) ফোঙদোক্লমই।

খৃ কু ১৯৭৩ দা সাহিত্য একাদমী, নিউ দিল্লি না নেসনেল সাহিত্য একাদমী এৱার্ড হায়বা ভারতকী ওইবা মাল্লা লেমজনিঙাই ওইববা, মগুন লৈরবা মনা অসি মণিপুরী লোন অমসুং মণিপুরী অইবগী ইহান হানবা ওইনা মহাক্কী ইম্ফাল অমসুং মাগী ঈশীং নুঙশীংকী ফীভম হায়বা উপন্যাসতা ইকাই খুম্নবা উৎতুনা পীখি।

খৃ কু ১৯৭৪ দা নহাখোল সাহিত্য প্রেমী সমিতি, মণিপুর না অভিনন্দন পত্র সু পিদুনা ইকাই খুম্নখি।

অদুমু, মহাক্কী পুন্সি লোমলমদাই চহি তরা (১০) মুক্তী, রাথলনা ফোকখোং নাদুনা, মতমসিগী সমাজদগী নাথেনা নাইডোল্লা, মকপ মপাং কয়াদগী লাপনা লৈখি। খৃ কু ১৯৯০ গী মার্চ থাগী তাং ৯ দা মশাগী চহি নিকুতরেং (৪৭) ভুমকপদা, মাগী মযুম ইম্ফালদা লৈবদা লৈখিদে। তাইবংগী মরাক্কতগী নাপ্লোজা মপুগী মকাদা হয় অমুক হনখি।

খৃ কু ১৯৯০, অইবনা লৈখিদবা চহি অসিগী মে থাগী তাং ১৩ দা, লৈখিদ্রবা অইবমু ইকাই খুম্নদুনা সাহিত্য পরিষদ, মণিপুর না সাহিত্য ভূষণ মীংথোনসু পিখি।